“নখোয়না থৱায় হকচাং য়াওনা ঐবু থিজরগদি শোয়দনা ফংজগনি।”

# করম্না ঈশ্বর মশক খঙগনি

মৈতৈলোন্দা হন্দোকচবা—ডবলিউ: ইতো সিংহ

# করম্না ঈশ্বর মশক খঙগনি

অব্রাহামনা হায়বা ইনবগী মরম্না "ঈশ্বরগা মরুপ ওইরম্মী," নহাক্না ইবুংঙো মহাক্কী থৌজান অমদি ইংথবনা ঈশ্বরবু মশক খঙলক্কনি। ঈশ্বর মশক খঙনবগীদমক্তা ইবুংঙোদা থাজদুনা চংজবা অসিনা পুনসিদা খুবাইদগী মরু ওইবনি। থবায় হকচাং য়াওনা থিজবা খুচিংদা ইবুংঙোগী অঙকপা অদু উংলি।

হকচাংগী অপাম্বা পুম্নমক থাদোক্তুনা ঈশ্বরদা চংজরবদি, থবায় অশেঙবনা লোয়নবিগনি। ইবুংঙোগী নুংশিবদগী কনামত্তুনা নহাকপু খাইদোকহনবা ঙমলোই। ইবুংঙো মহাক্না নহাক্কী ঈশ্বর ওইবিগনি। ইবুংঙোগী ঈনা নহাকপু মমল পীদুনা লৈখ্রবনি হায়বা খঙননবা হৌজিক্তগী লোম্বা নাইদবা ফাওবা মরুপ ওইবিগনি।

ঈশ্বরগী ব্রাহৈদগী খন্দোকতুনা ইখ্রবশিং অসি নৈনবদা খঙবা ঙমনবগীদমক্তা ঈশ্বরদা নিজে। ঈশ্বরগী থবায়না মীওই শরদা চংবিদুনা মীয়োন খুদিংদা পাবা য়াননবা অমদি সৈতানগী খুৎতা তাদনবা ঈশ্বরগী সেংবারদগী ইরম্বা ব্রাহৈশিংনি।

যসাইয়া ৪২:৮

মপুদু ঐনি. ঐগী ইতিক ইয়াইসি অতোপপা লাই অমদা পিবা, নত্রগা থাগৎহনবসু তৌরোই।

অনিশুবা ৱা ৬:৪,৫

ঐখোয়গী মপু ইবুংঙোদি অমতনি। নখোয়গী ইবুংঙোবু থৱায় হকচাং য়াওনা নুংশিজো।

যসাইয়া ৪৩.১০,:১

"নখোয় ঐগী সাক্ষিনি" তাকপিরি মপু ইবুংঙোনা,... ....নখোয়না ঐবু ইশক মন্না খঙদুনা ঐঙোন্দা থাজনবা ঐগী ইমাঙদা লাই অমা ফাওবা থোকখিদ্রি, অদুগা ইতুংদসু অতোপপা লাই অমা লৈররোই, ঐহাক নক্তনা লানবিবা মপু অতৈ অমা লৈতে।

যসাইয়া ৪৫:১৮

শেম্বীবা মপুনা অসুম্না তাকপিরি, ইবুংঙো মশামক্না অহাংবা মফম ওইনা শেম্বীদদুনা মী তাবা য়ানবা মফম ওইনা মালেম্বু শেম্বী, ঐ নত্তনা অতৈ অতোপপা মপু অমত্তা লৈতে।

যসাইয়া ৪৫:২২

ঐঙোন্দা চংজরকপা মীবু কনবিগনি, ঐনি মপু ইবংঙোদু, ঐহাক নত্তনা অতৈ মপু অমা লৈতে।

১ নিংথৗরোন ৮:৬০

ঐ নত্তনা অতৈ অতোপপা মপু অমত্তা লৈতে হায়বসি মালেমসিদা লৈরিবা মীশিংনা খঙগনি।

লাইশোল ঈশৈ ১০৩:৮,১১

ইবুংঙোদি থৌজান অমদি নুংশিবনা মাঙওইনবি, শাওবদা তপই, ওইবিরি নুংশিবদুনা হোংবা নাইদ্রবা লৈতেং। মালেমগা নোংমদোনগা থাপনবগুম ইবুংঙোবু লুনা তৌজবশিংদুগী মফমদা মহাক্না নুংশিবা উৎপি।

লাইশোল ঈশৈ ১০৩:১৭,১৮

ইব,ংঙোবু নুংশিবশিংদুগী মফমদদি মতম লৈবা খিবিক্তা নংশিবদু লেঙদনা পীবি অমসুং ইবুংঙোগী য়াথং ঙাকপশিংদসু নুংশিবদু পিনবি।

মিকা ৭:১৮

নঙগুম্না মপু কনা লৈবগে? নহাক্তি পাপ কোকপিবা ঙমই······ হোংবা নাইদবা নুংশিবা পাম্বা ইবংঙোনি।

তেংথারোল ৩:২২

ইবুংঙোগী নুংশিবদি লেংবা নাইদে, ইবুংঙোগী খৌজালদি লোম্বা নাইদে।

তেংথারোল ৩:৩২

ইবুংঙোনা ঐখোয়বু অৱাবা তাহনবা য়াই অদুবু মহাক্কী নুংশিবদি লেঙদবনি।

লাইশোল ঈশৈ ১৮:২৫

ইবুংঙোদা থাজবা মীদুদা থাজবা উৎপি।

১ মীরোন ১৬:৩৪

ইবংঙোবু অথোইবা ওইনা থাগৎসি, মহাক্কী নুংশিবদি মপান নাইদবনি।

### যিরমায়াহ ৩১:৩

ইবুংঙোনা নখোয়দা শক উৎপিখিবদু য়াম্না কুইরবনি, অমসুং নখোয়বু য়াম্না নুংশিখিবনি, হৌজিক ফাওবা ঐগী নুংশিবদু নখোয়গী থক্তা লৈরি।

### যিরমায়াহ ২৯:১১

ইবুংঙোনা তাকপিরি, নখোয়গীদমক করি তৌগনি হায়বা ঐনা খংই, নখোয়গী য়াইফ থৌরম তুংদা থোক্কদবা অফবা অশাদু শেম্বা লোইরে।

### মালাখি ১:২

ইবুংঙোনা হায়, ঐনা নখোয়বু নুংশি।

### লাইশোল ঈশৈ ১০৩:১৩

মপানা মচাশিংবু নুংশিবগুম ইবুংঙোবু লুনা তৌবশিংগী মফমদা ইবুংঙোনা নুংশিবী।

### যসাইয়া ৩৮:১৭

ইংথবা ফংনবা অৱা খাংবসি ঐগীদমক কান্নবনি, ঐগী পাপ পুম্নমক নহাক্না তুংওইনা থম্বীদুনা ইবুংঙো নহাক্কী নুংশিবনা ঐবু ফত্তবদগী কনবিরে।

### ১ যোহান ৪:১৬,১৯

ঐখোয়গী মরমদা ঈশ্বরগী নুংশিবা লৈবা অদু ঐখোয়না খংই, ঐখোয়না নুংশি মরমদি ইবুংঙোনা ঐখোয়বু হান্না নুংশিবিরে।

### জেফনাঈয়াহ ৩:১৭

ইবুংঙোনা নখোয়গী নরক্তা লৈবিরে, মহাক্না নখোয়বু পেনবিরে, মগী নুংশিবদু উৎপিরক্কনি, হৌখিবা মতমদা ইবুংঙোনা তৌবিখিবগুম্না হরাওবগী খোঞ্জেল পিবিরক্কনি।

দানিয়েল ১১:৩২
নখোয়না নিংজরিবা মপু ইবুংঙোবু মশক খংজরবদি চাওখৎপা ফংজগনি।

যিরমায়াহ ৯:২৪
ঐবু মশক খঙনা থাগৎপা ওইসনু মালেমসিদা থৌজান, অচুম্বা অমদি অশেংবা তৌরিবা মপুদু ইবুংঙোনি হায়বা খঙসনু। মরমদি অসিগুম্বা অসিদা ঐনা হরাও তয়ামই। মসি মপু ইবুংঙোনা তাকপিরি।

লাইশোন্ ঈশৈ ১১৯:২
থব্বায় হকচাং অনিমক ইবুংঙোগী য়াথং ইনজবশিংদু নুংঙাই য়াইফবা যংজগনি।

অনিশুবা ৱা ৩০:১৯,২০
ঐনা নখোয়দা হিংবা অমদি শিবা অদুগা মপু ইবুংঙোগী বোর অমদি শিরাপ অনিগী মরক্তা অপাম্বা খন্নবা খুদোংচাবা পিরিবসিনি। ইবুংঙোবু নুংশিজো: মহাক্কী হায়বা ইল্লু. ইবুংঙো মঙোন্দা নঙগী লোম্বা নায়-দবা পুনসি ফংজগনি।

হোসিয়া ৬:৬
ইরাৎ পুজানচিংবা তৌবগী মহুত্তা মপুবু চেৎনা নুংশিবা অমদি কিনা চৎপদুনা হেন্না পামই।

লাইশোল্ ঈশৈ ৪২:১
শজিনা অইংবা লাইজবু খৌরাংনা ঙাইজবগুম হে ইবুংঙো ননাইনা নহাকপু ঙাইজরি।

খোঙশানবা ৩৩:১৪
ইবুংঙোনা হায়, ঐ মতম লৈবখি-বিক্তা নহাক্কা লোয়নগনি। নহাকপু মরা তপনা পালহনগনি।

২ মীরোন ১৫:২

নংায়না ইবুংঙোবু থিজরগদি, ইবুংঙোনা নখোয়গা লোয়নবিগনি। ইবুংঙোবু থিজবা মী খুদিংনা মহাকপু ফংজগনি, ইবুংঙোবু থাদোকলবদি ইবুংঙো মহাক্লসু নখোয়বু থাদোককনি।

যিরমায়াহ ১৭:৯

মীওইবগী থম্মোইনা লৈরিবা জিবশিংগী মরক্তা খৱাইদগী লৌনম তৌবা অমদি মরিন শেংদে. কনানা মীওইবগী থম্মোইবু খঙবা ঙম্বগে?

পাওরী ১৬:২৫

নখোয়না অচুম্বশি হায়না খল্লিবদুনা অশিবগী লম্বীদা চিংখথিবা য়াবনি।

২ পিতর ২:৪,৯

স্বর্গদূতশিংনা পাপ তৌবদা ঈশ্বরনা মখোয়বু কনবিদ্রবদি, ৱায়েনগীদমক থাকতুনা অমম্বা নোরোক্কী কোযদা শিথোকলবদি, মতৌ অসুম্না ঈশ্বরনা নঙ ঐবু অথেম্বা তাগদবা অদুদগী কনবিবা ঙমই। মহাকপু কিদবশিংদি অরোইবা বিচারদা দন্দি পিনবা খাক্তুনা থমলি।

১ সমুএল ১২:১৫

ইবুংঙো মহাক্কী য়াথং ইন্দবা, অদুগা ইবুংঙোগী পাওতাকশিংদু হিকতোকলবদি ইবুংঙোনা নখোয়গী মায়োক্তা লৈগনি।

যোহান ১৫:৬

কনাগুম্বা মীনা ঐঙোন্দা ততনা লৈবা নত্রবদি মহাকপু মশাগুম্না হুনজেকই' কংসু কংশিল্লি, মখোয়না মদু খোমজিল্লগা মৈনুংদা লংশিন্দুনা থাদোকই।

য়িরমায়াহ ২৯:১৩

নখোয়না থব্রায় হকচাং অমত্তা ওইনা ঐবু থিজবা ঙমলবদি নখোয়না ঐবু ফংবা ঙমগনি।

পাওরৌ ২:৪;৫

নঙনা......লৈনুংদা লৈবা লন তানবগুম........ থিজরবদি, নঙনা........ ইবুংঙোগী লৌশিংদু ফংবা ঙমগনি।

মথি ৭:৭

নিজৌ নখোয়দা পীবিগনি, থিজৌ, নখোয়না ফংজগনি অমসং থোঙ থৈজৌ নখোয়দা হাংদোকপিগনি।

ইব্রিয় ১১:৬

থাজবা য়াওদনদি ইবুংঙোবু পেলহনবা ঙমদে, ঈশ্বরদা নকশিঞ্জরকপা মীনা ঈশ্বর লৈ অদুগা ইবুংঙোবু থিজবশিংদা মনা পিববা মপুনি হায়বা থাজবা তারে।

পাওরৌ ৮:১৭

ঐবু নুংশিবশিংদুবু ঐনা নুংশি, ঐবু থিজবা মীশিংনা ঐবু ফংবা ঙারোই।

তেংথারোল ৩:২৫

ইবুংঙোবু থাজবশিংগী মফমদা ইবুংঙোদি ফবনি।

পাখোন ১৭:২৬,২৭

ইবুংঙো মহাক্না অমতদগী মীওইবগী জাৎ খুদিংমকপু লৈমায় থুংনা লৈনবা শেম্বিরে .... .... মখোয়না ঈশ্বরবু ফংজগে হায়দুনা থিগদবনি, অদুবু ঐখোয়দগী ইবুংঙো মহাক্তি থাপনা লৈতে।

যোব ৫:৮

ইবুংঙোদা ওনশিন্দুনা ঐনা ঐগী ৱাখোকসি পুখৎলমগনি।

২ মীরোন ৩০:৯

নখোয়গী মপু ইবুংঙোদি থৌজান অমদি নুংশিবনা মপান নাইদবা ইবুং-ঙোনি। নখোয়না ইবুংঙোদা চংজ-রবদি নখোয়বু থাদোকপিরোই।

লাইশোন ঈশৈ ৮৬:৫

ইবুংঙোদি ননাইশিংদা থৌজানবি অদুগা ঙাকপি, মঙোন্দা চংজবশিংদা তৎপা লৈতনা নুংশিবা উংপি।

যাকোব ৪:৮

ঈশ্বরদা নকশিল্লু, অদুগা মহাক্না নখোয়দা নকশিনবিগনি।

লাইশোন ঈশৈ ১৪৫:১৮

ইবুংঙোদা চঙজরকপশিংগী মনাক শিংগী লৈবি, থম্মোইশেংনা চংজরকপ-নক্না মফমদা লৈবি।

যসাইয়া ১:১৮

লাকও ঐগা ৱাফমদু খন্নসি, মপু ইবুং-ঙোনা অসুম্না তাকপিরি, নখোয়গী পাপনা অঙাংবা মচুগুমলবসু ওইহন-গনি ঐনা লনগী মতৌগুম নখোয়গী পাপনা মুনা ঙাংবা মচুগুম্না উরসু মখোয় অঙৌবা শামতুগী মতৌগুম-হনগনি।

মাথি ১১:২৮, ২৯

থবক ৱানা শুবা, পোৎলুম পুবা পুম্নমক ঐঙোন্দা চংজরকউ, ঐনা নখোয়বু পোংথাহনবিগনি। ঐগী পোৎপু নথক্তা থোংউ, ঐঙোন্দগী তমজৌ, ঐদি পুক্নিং তপই অমসুং থম্মোই নেমই, অদুগা নখোয়গী থৱায়দা পোৎথাবা ফংজগনি।

যোহান ৬:৩৭

ঐঙোন্দা লাকপা মীবু ঐনা থক তান-থোকলোই।

খোঙশানবা ১৫:১১

নহাককুম্বা কনা লৈবগে হে মপু ইবুং-ঙো, .... .... খৱাইদগী হেন্না শেঙথোইরবা ?

১ সমুএল ২:২

ইবুঙোগুম্না শেঙবা কনাসু লৈতে, মাগা মান্নবা কনাসু লৈতে।

যোব ৩৪:১০

পাঙ্গল্লবা মপু ইবুংঙোনা অরানবা তৌবা হৌনদে।

যসাইয়া ৬:৩

শেংথোইরবা, শেংথোইরবা, শেংথোই-রবা মালেম পুম্বা মহাক্কী মতিক মগুন্না পুমথন থনখ্রে।

যসাইয়া ৫৭:১৫

মতিক মগুণ লৈরবা ইবুংঙোনা অসুম্না তাকপিরি, মতম লৈবা থিবিক্তা শিং-নাইদ্রবা অশেঙবা মিং কৌগনি। ঐনা অৱাংবা অমদি অশেঙবা মফমদা লৈবনি।

লাইশোন ঈশৈ ১৪৫:১৭

ইবুংঙোনা তৌবা খুদিং অচুম্বা ঙাক্তনি, মহাক্না শোকপা খুদিং থৌজাল্লা মাংওইনৈ।

মার্ক ১০:১৮

অমতা ঙাইরবা ঈশ্বর নত্তনা অফবা কনাসু লৈতে।

ফোংদোকপিবা ১৫:৪

হে প্রভু, কনানা কিদদুনা নহাক্কী মিংবু থাগৎলোইদগে? মরমদি ইবুংঙো নহাক্তি অশেঙবনি।

যাকোব ২:১৯,২০, ১:২২

ঈশ্বর অমতনি হায়দুনা নহাক্না থাজে, নহাক্না থাজবা অদু অফবনি। ভুৎশিংনসু থাজদুনা কিবগী তু চুংই। হে কান্নদবা মী, থবক য়াওদবা থাজবা অদু মহৈ লৈতবনি হায়বা নহাক্না খঙনিংব্রা? বা অদু অতৌবা মী নখোয়না ওইয়ু, নশামকপু মীনমজদুনা অতাবডা ওইগনু।

১ যোহান ২:৪; ৩:১০

ঐনা ইবুংঙোবু খঙই হায়বা অদুগা মহাক্কী য়াথং ঙাকতবা অদু চিনথিবনি, অমসুং মঙোন্দা অচুম্বা লৈতে; মসিদগী ঈশ্বরগী মচাশিং অমসুং দিয়াবোলগী মচাশিং ফোংদোকপনি। অচুম্বা তৌদবা মী অদু অমসুং মচিন মনাওবু নুংশিদবা মী অদু ঈশ্বরগী নত্তে।

পাঙরৌ ১৫:৯

ইবুংঙোনা ফত্তবশিংনা চৎলিবা লম্বেলদু তুক্কচৈ অদুগা অচুম্বা থবক তৌবশিংদুবু লুনা তৌবি।

ইব্রিয় ১২:১৪

মী পুম্নমক্কা ইংথনা লৈনবগী অমসুং শেংদোকপিবগী মতুং তাল্লু শেংদোক-পিবা য়াওদনা কনা অমতনা প্রভুবু উরোই।

১ পিতর ১:১৫

নখোয়বু কৌবিবা ইবুংঙো মহাক্না শেংবগুম্না, নখোয়সু নচৎ নতৌদা অশেংবা ওইয়ু।

অমোস ৫:১৪

লোম্বা নাইদবা পুনসি ফংনবা য়াইফ-বদু থিজো, ফত্তবগী তুং ইনগনু, নখোয়না নিজখিবগুম্না ইবুংঙোনা নখোয়গা লৈবিগনি।

মিকা ৬:৮

মপু ইবুংঙোনা নখোয়দগী পামলিবা পোৎতি অচুম্বা তৌবা: থৌজান হৈবা মবুংঙোগী মাংদা নোল্লুক্না চৎচবা অসিনি।

শিচৎলোন ১৯:২

মপু ইবুংঙোনা অশেংবা ওইবা মরম্না নখোয়সু অশেঙবা ওইগদবনি।

লুক ১০:২৭

নঙনা নঙগী ঈশ্বরবু থম্মোই, থৱায়, পাঙ্গল অমসুং পুক্নিং অপুম্বা য়াওনা নুংশিগদবনি ; নঙগী কৈরোয়-নৈকাইবু নশামককুম্না নুংশিগদবনি।

মার্ক ১০:১৯

মী হাৎকনু, নুপী লান্নগনু, হুরানগন : চুমদবা শাক্ষি পিগনু, লৌনম তৌগনু, নমা-নপাবু ইকাই খুমনৌ, হায়বা য়াথং অসি নহাক্না খঙই।

রোমিয় ১২:২

তাইবঙপানবা অসিগী মতুং ইনবা শকওং লৌগনু, ঈশ্বরগী নিঙবা মতুং ইন্না পুক্নিং অমুক নৌন্দনা নখোয় শকওং ওহোকউ।

যোশুৱা ১ ৮

নখোয়না খুরুমজবা মতমদা বাইবল পাবা কাওগনু, অহিং নুংথিল অনি-মক্তা মসিদা ইরিবা পুম্নমক অমত্তা কাইদনা ইনবা ঙমনবা হোৎনগদবনি। অসুমনা তৌরবদি নখোয় চাওখৎপা অমদি মায়পাকপা ওইগনি।

মার্ক ১১:২২

ঈশ্বরবু থাজৌ।

### পাওরো ৬:১৬-১৯

মপু ইবুংঙোনা থাংবা ঙমদবা পোৎ তরেৎথক লৈ মদুদি :
নাপনগী লোয়নননা য়েংবা, মীনম্বা ঙাংবা, মরান লৈতবা মী হাৎপা, ফত্তবা খনবা, ফত্তবা থবক তৌনবা থূনা চৎপা খোঙ, মীনম্বা মথং মথং ঙাঙবা, মরুপশিংগী মরক্তা থৎনহনবা মী।

### যসাইয়া ৬১:৮

ঐদি অচুম্বদু পামই, ফত্তববু তুক্কচে।

### ফোংদোকপিবা ২১:৮

কিগনবশিং, থাজদবশিং, তুক্কচনবশিং, মীহাৎপশিং, মরুম্বী থবক তৌবশিং হিদম য়াইতম্বশিং, লাই মুত্তিলাৎপশিং মীনম চিন্থিবা পুমনমক, মখোয়গী শরুক্তি মৈ গনধূপকা লোয়নননা চাক্লিবা পাৎ মনুং অদুদা ওইগনি, মসি শিবা অনিশুবা অদুনি।

### মালাখি ২:১৫,১৬

নখোয় পুমনমক খঙঙু, মদুদি নখোয়না নহা ওইরিঙৈদা লৌবা নুপিশিংগী মফমদা নত্তবা লমচৎ চৎলোইদবনি। মপু ইবুংঙোনা হায়রি ··· ··· "খাইনববু ঐনা তুক্কচে।"

### জেখারিয়াহ ৮:১৭

মপু ইবুংঙোনা হায় নঙগী কৈরোই লৈকাইদা অমনা অমবু মাঙনবা শরো শিনগনু, বাশকলগা ওইদবা শাক্ষি পীগনু। মীনম্বা চুমদবা অমদি তমথিবদু ঐনা তুক্কচে।

যোহান ৫:৪২

নখোয়গী নুংদা ঈশ্বরবু নুংশিবা লৈতে হায়বা ঐনা নখোয়বু খঙই।

যাকোব ২·১০

কনাগুম্বনা ৱায়েল য়াথং অপুম্বা ঙাকলগা অমখকতং শোইরবদি, মহাক্না পুম্নমক অদু লানবা ওইরকপনি।

যসাইয়া ৬:৫

ঐনা হায়রমই, "ইরাইবক থিবা ঐসে তৌফম খঙদ্রে, মরমদি ঐহাক পুকচেন শেঙদবা মী অমনি। পুকচেন শেঙদবা মীশিংগী মরক্তা ঐহাক লৈ। ঐহাক্না ইমিৎনা ইবুংঙো মহাকপু উজরে।

যাকোব ৪:১৭

অফবা তৌবা খঙবা অদুগা মাদু তৌদবা মহাক অদুদা মসি পাপনি।

রোমিয় ৩:১০

অসুমনা ইরি, ধর্ম্ম চেনবা কনাসু লৈতে অমতসু লৈতে ;

রোমিয় ৩:২৩

মী পুম্নমক পাপ চেল্লে, অদুগা ঈশ্বরগী মতিক মঙান্দগী মখোয়না শোৎথৈ।

১ যোহান ৩:১০

অচুম্বা তৌদবা মী অমসুং মচিন মনাওবু নুংশিদবা মহাক অদু ঈশ্বরদগী নত্তে।

যসাইয়া ৫৩:৬

ঐখোয় য়াওগুম্না লম্মুকনরবনি, ঐখোয় মাগী মাগী থোকপা চৎনখ্রবনি।

১ সমুএল ৬:২০

কনানা ইবুংঙোগী মাঙদা লেপপা ঙমগদগে ?

রোমিয় ১০ঃ২,৩

মরমদি মখোয়না ঈশ্বরগীদমক থৱায় য়াওবা লৈ অদুবু খঙবগী মতুংইন্না নত্তে হায়বা ঐনা মখোয়গী মরমদা সাক্ষি পি। মরমদি ঈশ্বরগী ধর্ম্মচেনবা খঙদবনিনা মখোয়মক্কী ধর্ম্মচেনবা লেপচনবা থিদুনা, মখোয়না মশা মথন্তবু ঈশ্বরগী ধর্ম্মচেনবা অদুগী মখা পোন্দে।

যসাইয়া ৬৪:৬

ঐখোয় অমাঙবা পোৎ অমগুম ওইরে, ঐখোয়গী অফবা থবকশিংদু ফত্তবা পোৎ অমগুম ওইরে।

ইজেকিয়েল ৩৩:১৩

ঐনা অ:শঙবা তৌবা মীদুদা শিনাইদবা পুনসি ফংগনি হায়খ্রবসু করিগুম্বা অশেঙবদুদা থাজদদুনা পাপ তৌরবদি মহাক্কা তৌখিবা অশেঙবা থবকশিংদু নিংশিংলরোই। মহাক্কা তৌখিবা পাপতুনা শোইদনা মহাক শিগনি।

রোমিয় ৮:৮

হকচাংদা লৈবশিং অদুনা ঈশ্বরবু পেলহনবা ঙমদে।

রোমিয় ৩:২০

ৱায়েন য়াথঙগী থবক্কা ইবুংঙো মহাক্কী মীৎয়েংদা কনামত্তবু চুমহনবিরোই।

২ কোরিন্থীয় ৩:৫

ঐখোয় ইশা ইথন্তদগীগুমনা করিগুম্বা শিংথান্নবা ঐখোয় ইশা ইথন্তা মতিক চাবা নত্তে, অদুবু ঐখোয়গী মতিক চাবা অদু ঈশ্বরদগীনি।

রোমিয় ৫:১২

**মী অমগী মরমনা পাপ** অমসুং পাপকী মরমনা **শিবা** তাইবঙপান্দা চংলে, অসুমনা মী পুমনমক্তা শিবা থংথরে, মরমদি পুমনমক্না পাপ তৌরে।

যাকোব ১:১৫

অপাম্বা অদুনা **মীরোল্লবদা** পাপ পোকই, পাপ অদুনা মপুং ফারবদা শিবা লাকই।

ইজেকিয়েল ১৮:২০

পাপ তৌবা থব্বায়দু শোইদনা শিগনি।

যসাইয়া ৫৯:২

নখোয়গা মপু ইবুংঙোগী মরক্তা খাগৎলিবা পন্দু নখোয়না তৌবা পাপননি। নখোয়না পাপ তৌবা মরমনা ইবুংঙোনা মমায় লোৎখ্রবনি, মরমসিনা ইবুংঙোনা নখোয়গী ৱাশিংদু তাবিদ্রবনি।

পাওরৌ ১১:১৯

অচুম্বা তৌগে লেপলিবশিংদু শোইদনা অমর ওইগনি, অদুবু অরানবা তৌপে তেমশিংলিবশিংনা শিগনি।

২ মীরোন ২৪:২০

মপু ইবুংঙোনা অসুমনা তাকপিরি, নখোয়গী পুনসিদা অমাঙবা থোক্লবা করিগী ইবুংঙো মহাক্কী য়াথং ইদ্রিবনো? মরমদি নখোয়না ইবুংঙোবু থাদোকলে, অদুগা ইবুংঙো মহাক্কসু নখোয়বু থাদোকপনি।

১ সমুএল ১৫:২৩

হায়বা ইন্দবা হায়বাস অরানবা ৱা ঙাংবগুম্বনি অদুগা ঙকচাও খেকপা অসি অরানবা হবক তৌবা অমদি মুত্তি লাৎপগুম্বনি। ইবুংঙোগী য়াথং ইন্না চৎত্রবনিনা ইবুংঙোনসু নহাকপু য়াবিদ্রে........।

### লাইশোন ঈশৈ ৭:১১

অচুম্বা ৱায়েনবদু মপু ইবুংঙোনি, ফত্তবশিংবু ইবুংঙো মহাক্না নুমিৎ খুদিংগী শাওই।

### নাহুম ১:৩

ইবুংঙোদি শাওবদা তপই, অদুবু পাঙ্গল লৈবা ইবুংঙো ও বা মরমনা মরাল লৈরবশিংদু লেমনা থাদোক্তে।

### কোলোসীয় ৩:৬

হায়বা ইন্দবা মচাশিংগী মথক্তা ঈশ্বরগী অশাওবা লাকই।

### রোমিয় ১:১৮

ধর্ম্ম চেন্দবনা অচুম্বা থিবা, ঈশ্বর নিঙদবা পুম্নমক্কী মথক্তা ঈশ্বরগী অশাওবা স্বর্গদগী ফেংদোকই।

### রোমিয় ১:২৯—৩২

ধর্ম্ম চেন্দবা, ফত্তবা, করাম্না, কল্লকপা, পুম্নমক্না থল্লদুনা, খম্বনবনা, মীহাৎপনা, য়ৈন শুনবনা; মীনম্বনা, নুংনাংবনা থনবশিং, চিবোন চিবোন ঙাংবা চিরোল তৌবা ঈশ্বরগী মাংদা তুক্কচবা, ইকাইবা খঙদবা, চাওথোকপা, নাপল তৌবা, ফত্তবা থবক পুথোকপা মপা মমাগী হায়বা ইন্দবা, ৱাখল্ল লৈতবা, ৱালেপনবা কায়বা মহৌশাগী নুংশিবা লৈতবা, চানবিহৈতবা, মীশিং অসিনা অসিগুম্বা থবক মহৌশা তৌবশিংনা শিবা মতিক চায় হায়বা ঈশ্বরগী ৱায়েল অদু খঙদুনা, মদু তৌবতা নত্তনা মদু মহৌশানা তৌবশিংগসু য়াম্মিন্নৈ।

### ইব্রিয় ৯:২৭

তাইবঙমীনা অমুক শিবা, অদুগা অসিগী মতুংদা ৱায়েনবা থোক্কদবা অরেপপনি।

### ফোংদে কপিবা ২০:১২,১৫

অশিবশিং, অচৌবসু অপিকপসু ক্রম্বাল অদুগী মমাংদা লেপলিবা ঐনা উরে: অদুগা লাইরিক ময়াম হাংদোক্লে। অদুগা অশিবশিংবু মখোয়গী থবক মতুং ইন্না লাইরিক লাইরিক্তা ইশিনখিবা অদুদগী ৱায়েল্লে। অদুগা হিংবগী লাইরিক মনুংদা ইশিনবা ফংদবা কনাগুম্বা মী লৈরমলবদি, মাবু মৈগী পাৎ মনুংদা হুনজিল্লে।

### ইব্রিয় ১০:৩১

হিংলিবা ঈশ্বরগী খুত্তা তাবা অকিবা মশকনি।

### মাথি ১২:৩৬

মীশিংনা ঙাংলদবা ৱারেম খুদিংমক্কী মরম ৱায়েনগী নুমিত্তা পীগদবনি।

### পাওশন্দোকপা ১২:১৪

অফবা নত্রগা ফত্তবা অরোনবা থবক খুদিংমক্কী মখক্তা মপু ইবুংঙোনা বীচার তৌগদবনি।

### মাথি ১৩:৪৯,৫০

তাইবঙপানবগী অরোইবদা মতৌ অদুগুম্না ওইরগনি। স্বর্গদূতশিংনা লাক্তুনা ধর্ম্মাচেনবশিংগী মরক্তগী ফৎতবশিংবু খাইদোক্লগা, মখোয়বু মৈগী কোমদা লংশিনগনি। মফম অদুদা কপপা অমসুং ময়া ক্রক ক্রক চিকপা ওইগনি।

পাওরৌ ১৫:৩

অফবা নত্রগা ফৎতবা অনিমক্তা ইবুংঙো মহাক্না ঐ:খোয়বু শেন্নদুনা লৈরি।

লাইশোন ঈশৈ ১৩৯:১-৪

হে ইবুংঙো ননাইবু চাং তৌবিরে অমসুং খঙবিরে। ননাইনা তৌবা খুদিং ইবুংঙোনা খঙবিদবা লৈতে, অথাপপদা লৈরবসু ননাইগী ৱাখল্ল ফাওবা খঙবা ঙমই। ইথৌ তৌদুনা লৈবা নত্রগা পোৎথাবা ফাওবা ইবুংঙোনা খঙবি থবক খুদিং ইবুংঙোনা উবিদবা লৈতে। ননাইনা ইবুংঙোদা নিজদ্রিঙৈদা নিজগদবা পোৎতু ইবুংঙোনা খঙবি।

১ সমুএল ১৬:৭

ঐনা মীগুম্না ৱায়েন্দে, মীওইবনা মপানথোংদা য়েংবা মতমদা মপু ওইরিবা ঐনদি থম্মোইনুংদা য়েংই।

লাইশোন ঈশৈ ৯৪:৯

ইবুংঙোনা ঐখোয়গী ইনাসি শেম্বী-খিবনি অদুবু ইবুংঙোদি আদ্রমাল্লে? মহাক্না মিৎ শেম্বীখি অদুবু ইবুং-ঙোদু উবদি ফংদ্রমাল্লে?

য়িরমায়াহ ১৬:১৭

মখোয়না তৌরিবা পুম্নমক ঐগী ইমিৎসিনা উবা ঙমই। ঐগী ইমাঙদা মখোয় লেৎপা ঙমলোই। মখোয়না তৌবা পাপশিংবু ঐনা লেইনা উবা ঙমই।

ইব্রিয় ৪:১৩

শেমখ্রবা পোৎ করিমতা ইবুংঙো মহাক্কী মাংদা ফোংদবা লৈতে, ইবুংঙো মহাক্কী মিৎয়েংদা পোৎ পুম্নমক ইহাং হাংদোক্না লৈ।

ইজেকিয়েল ১৮:২৩

মপু ইবুংঙোনা তাকপিরি, ফত্তবশিংনা শিবা মতমদা ঐগী নুংঙাইফম করি লৈবগে ? মহাক্কী ফত্তবা লমচৎ থাদোক্তুনা মমায় লৈরক্লবদি হিংগদবা নত্রা ?

লুক ১৩:৩

ঐনা নখোয়দা হায়রি, নত্তে ; নখোয়না পুক্নিং হোংদ্রবদি নখোয় পুম্নমক মাংগনি।

পাওরো ২৮:১৩

নরান কূপশিন্দুনা থম্নবদি নপুনসি মহৈ য়াল্লরোই। নরান হায়দোক্তুনা থাদোক্লবা হোৎনৌ অদু ওইরবদি ইবুংঙোনা থৌজান উৎপিগনি।

যোয়েল ২:১২,১৩

ইবুংঙোনা তাকপিরি, হৌজিকমক চরা হেনবা, মিৎতগী পি তাবা অমদি তেংথাদুনা নখোয়গী থম্মোই য়াওনা ঐগী ইফমদ হঞ্জরকউ।

নফী শেগাইবগী মহুত্তা নথম্মোই কাইহল্লু. মপু ইবুংঙোগী মকাদা হনজরকউ। মরমদি মহাক্তি থৌজাল লৈ, মীনুংশি খঙই. পুকচেল তপই অদুগা নুংশিবদু লৈ।

হোসিয়া ১৪:২

ইবুংঙোগী মফমদা মাই ওল্লকউ, মাগী মফমদা অসুম্না হঙৎচৌ, পাপ পুম্নমক লৌথোকপিদুনা অফবদু লৌশিনবিয়ু অসুম্না মপু ইবুংঙোনা তাকপিরি।

যোব ৩৩:২৭,২৮

মহাক্না মীয়ামদা হায়গনি, "ঐহাক অরানবা তৌখি ... .... অদুবু মপু ইবুংঙোনা ঐবু অশিথোঙগা চৎকদবা অদুদগী কনবিরে, ঐনা ইবুংঙোবু উবা ফংজগনি।

যসাইয়া ৫৫:৬, ৭

ইবুংঙো মাবু ফংনবা থিজো, ননাক্তা লৈরিঙৈ মতমদা মহাকপু কৌজো, ফক্তবশিংনা মখোয়গী লমচৎ হোংসনু ধম্ম চেন্দবা মীশিংনসু মদুগুম্বা বাখল থাদোকসনু মখোয়গী 'থক্তা থৌজানবিগদবা ইবুংঙোগী মফমদা পুক্নিং হোংহল্লকসনু, মরমদি ইবুংঙোদি থৌজানহৈবা মপুনি।

লাইশোন ঈশৈ ৩৪:১৮

পুক্নিং হন্থরবশিংদুগী মনাক্তা ইবুংঙোনা নক্লা লৈবি, আশা লৈজদ্রবশিংদুসু ইবুংঙোনা কনবি।

যিরমায়াহ ৩৬:৩

মী খুদিংমক মানা মানা তৌরিবা ফত্তবা থবকশিং থাদেকতুনা মমায় লৈরকপা মতমদা .... .... .... ঐনা মখোয়গী পাপ কোকপিবা য়াই।

লাইশোন ঈশৈ ৩২:৫

ননাইনা ইবুংঙোদা ইরান হায়দোকচখি, ঐনা তৌখিবা অরানবা থবকশিং লোৎখিদে, ইবুংঙোগী নকদা পুম্নমক হায়দোক্লে লেপচখি, ইবুংঙোনা ননাইগী ইরান খুদিং ঙাকপিখি।

১ যোহান ১:৯

ঐখোয়গী পাপ হায়দোকচরবদি, পাপ কোকপিননবা অমসুং ধম্ম চেন্দবা পুম্নমক্তগী ঐখোয়বু শেংবিনবনি। ইবুংঙোদি থাজবা য়াবা অমসুং অচুম্বনি।

পাখোন ৩:১৯

নখোয়গী পাপ খিবিক মুৎথৎপিনবা নখোয়না পুক্নিং হোংদুনা অমুক ওল্লকউ।

(পুক্নিঙ হোংবা হায়বা অসি পাপতগী লৈথোকতুনা ঈশ্বরদা ঐগী ইরান ফোংদোকচবা অদুনি।)

(লমাই ১৪শুবগা চাংদমনৌ)

লীচৎলোন ১:৪,১৭:১১

মহাক্না কংচরিবা পোৎতুগী মথক্তা মখুৎনা নানগদবনি। মৈদা থাদুনা নুপাদুগীদমক অয়োন-অরান কোক্লবা থোগী পোৎলম অমা ওইনা লৌশিনগদবনি। মরমদি শদোংগী থৱাইসি ঈদা লৈবনি, ঈসি লৌদুনা ফানখোঙদা নখোয়গী নথৱাই শেঙদোক্লবা থোগী পোৎ ওইনা খাইদোকখ্রবনি। মসিদা থৱাই লৈবা মরম্না ঈনা থোরম অমা ওইরি।

ইব্রিয় ৯:২২

ৱায়েল য়াথং মতুং ইন্না পোৎ পুমনমক ঈনা শেংদোকই হায়বা য়াই, অদুবু ঈ তাবা নত্তনদি কোকপিফম লৈতে।

খোঙগানবা ১২:১:১৩

নখোয়গী য়াওদ্রু চহি অমা শুরবা অশোই অঙাম লৈতবা ওইগদবনি নখোয়না লৈরিবা য়ুমদা তৈগদৌরিবা ঈদুনা নখোয়বু তোঙান-তাহনগদবনি। ঈদু উবা মতমদা ঐনা নখোয়বু শোকলমদনা চৎখিগদৌরিবনি, অদুগা লাইচৎ থোকপা মতমদা নখোয়গী নথক্তদি তারোই।

মৈহৌরোন ২২:৪,১৩

অব্রাহামনা হায়রকই, "ইসহাক মৈদা থাদুনা কংথোক্কদৌরিবা য়াওদু মপু ইবুংঙোনা পিরক্কনি।" অদুগা অব্রাহামনা কোইনা য়েংলকপা মতমদা য়েংউ, মহাক্কী তুংদা য়াও অমা মচিনা মোংশোং মরক্তা পন্দুনা লৈরম্বদু উখি। অব্রাহামনা মফমদুদগী য়াওদু পুরক্লগা মচাদুগী মহুত্তা য়াও ওইনা মৈদা থাদুনা কংচখি।

যোহান ১:২৯
মথংগী নুমিত্তা যীশুনা যোহান্দা লেঙলকপা উবদা মহাক্না হায়, হেংউ ঈশ্বরগী য়াও মচা, তাইবঙপানবগী পাপ পুবিবা অদু।

যসাইয়া ৫৩ঃ৬ ৭
মপু ইবুংঙোনা ঐখোয় খুদিংগী অয়োন অরানশিংদু মহাক্কী মথক্তা পুবিখি। মহাক অরাবা থাঙখি, মহাকপু য়ৈথুনবা মখোঙনা থোংনা চৎলি, মহাক্কী মচিন্দগী করিগুম্বা ৱাহে অমা ফাওবা ফোংদোকখিদে, হাৎফমদা চিংদুনা পুরিবা য়াওগী মতৌগুম্না মহাকপু পুবিখি, শাহাৎ-পগী মমাঙদা তৌফম খঙদনা লৈরবা য়াও মচা অমগী মতৌগুমই।

ইব্রিয় ৯:১২,২৮
হামেঙ অমসুং ষনগী ঈগী মপান্না নত্তনা, ইবুংঙোমক্কী ঈগী মপান্না লোম্বা নাইদবা হন্দোকপিবা ফংলদুনা অমুক্তা অশেংবা মফমদা চংলে। অদুগুমদুন। খৃষ্টনসু অয়াম্বা মীগী পাপ পুবিননবা অমুক্তং মশামকপু কৎথোকচরে।

১ পিতর ১:১৮,১৯
লুপা নত্রগা সনা মাঙগদবা পোৎ অসিনা নত্তদুনা অশোয়বা অমসুং অমকপা লৈতবা য়াউ মচাগুম্বা খৃষ্টগী মমল লুরবা ঈনা নখোয়গী নপা নপুশিংদগী থংথরকপা মীপান্দগী হন্দোকপিরে হায়বা নখোয়না খঙই।

ইব্রিয় ৯:১৪
লোম্বা নাইদবা থৱায়গী মপান্না ঈশ্বরগী মফমদ। অমকপা লৈতনা মশামক কৎচরবা খৃষ্ট অদুগী ঈ অদুনা হিংলিবা ঈশ্বরবু থৌগন তৌজননবা, অশিবা থবক্তগী ঐখোয়গী অচুম অরান খঙনবা পুক্নিঙবু কয়ামুক হেন্না শেংদোক-পিবা ?

রোমিয় ৩;২৪,২৫

খৃষ্ট যীশুদা লৈবা হন্দোকপিবা অদুগী মপান্না ইবুংঙো মহাক্কী থৌজান্না নখোয়বু লেম্না চুমহনবিরে, থাজবগী মপান্না ইবুংঙোগী ঈনা কে.কপিনবা ঈশ্বরনা ইবুংঙোবু ফোংবি:র।

রোমিয় ৫, ৮, ৯

ঐখোয়না পাপ চেনবা মী ওইরিঙৈ-মক্তদা, খৃষ্টনা ঐখোয়গীদমক শিবিবা অদুদা ঈশ্বরনা ঐখোয়রোমদা ইবুংঙোগী নুংশিবা উৎপিরে। অসিদগী হেন্না ইবুংঙোগী ঈনা হৌজিক চুমহনবিরবনিনা, ইবুংঙোগী মপান্না ঐখোয়বু ঈশ্বরগী অশাওবদগী কনবিগনি।

গালাতীয় ২:১৬

মীওইববু ৱায়েল য়াথংগী থবকশিং তৌবদগী চুমহনবা নত্তে, অদুবু যীশু খৃষ্টবু থাজবগী মপান্না চুমহনবি হায়বা খঙদুনা ঐখোয়মক্সু খৃষ্ট যীশুবু থাজরে।

এফিসা ২, ৮, ৯

থৌজান্না নখোয়বু থাজবগী মপান্না কনবিরে, অদুগা অসি নখোয়দগী নত্তে, ঈশ্বরগী খুদোন্নি, মী কনা অমতনা চাউথোক্তনবা, থবক্তগী নত্তে।

পাখোনচৎপা ১০:৪৩

ইবুংঙোগী মরমদা ঈশ্বরগী ৱা তাক-খোকপা পুম্নমক্না সাক্ষী পী, ইবুং-ঙোবু থাজবা মী খুদিংমক্না ইবুং-ঙোগী মীংগী মপান্না পাপ কে.কপা ফংজগনি।

পাখোনচৎপা ৪:১২

অতৈ কনাদগীসু অরান খুবম লৈতে; মরমদি মদুগী মপান্না ঐখোয়বু কন-বিগদবা, মীশিংগী মরকতা পীরবা অতৈ মিং অমতা অতিয়াগী মখাদা লৈতে।

লুক ২:২৬ - ৩৮

.......নাসরেৎ কৌবা গালিলগী সহর তান্না ঈশ্বরগী গাব্রিয়েল দুত অদুবু থারকলে. দায়ূদকী ইমুংদগী যৌসেফ কৌবা নিপা অমদা ব্না লোইনখ্রবী লৈশাবী অশেংবী অদুদা মহাক লাক্লে, অদুগা লৈশাবী অদুগী মমিংদি মারিয়ামনি। .... .... মদুদা দুত অদুনা মঙোন্দা হায়, কিগনু মারিয়ম, নহাক্তি ঈশ্বরগী মফমদগী থৌজাল ফংজরে। য়েংউ নহাক মীরোন্দুনা নচা নিপা অমা পোক্কনি, অদুগা ইবুংঙো অদুগী মমিং যীশু থোনগনি। ইবুংঙো অসি মতিক চাউগনি, অমসুং ইহেন হেনবা অদুগী মচা নিপা কৌগনি, .... .... অমসুং ইবুংঙোগী লৈবাক অদু লোম্না নাইরোই। মদুদা মারিয়ম্না দূত অদুদা হায়, ঐদি নিপাগা খঙনদবী ওইবনিনা, মসি করম্না ওইগদগে? অদুগা দুত অদুনা মঙোন্দা খুমলকই, থব্রায় অশেঙবনা নঙোন্দা কুমথরক্কনি, অমসুং ইহেন হেনবা অদুগী মতিক্লা নঙোন্দা লুমশিনবিরগনি, মরম অদুনসু পোক্কদবা অশেংবা অদু ঈশ্বরগী মচা নিপা কৌগনি। ....... মরমদি ঈশ্বরদগী থোকপা ব্রাহে খুদিং মতিক লৈতবা ওইরোই। মদুদা মারিয়ম্না হায়রকই: য়েংবিয়ু, প্রভু মনাই নুপীবু নহাক্কী য়াথং মতুং ইন্না ঐঙোন্দা থোকপা ওইসনু। অদুদগী দুত অদুনা মঙোন্দগী চৎথোকখ্রে।

(নুপি নুপা তিন্নদনা তাইবঙদা খোঙ-দারকপসি আদম অমসুং খৃষটনি। আদমনা তাইবঙপান্দা পাপ থংথরকই, অদুগা যীশুনা পাপপু জয় তৌবা ঙমখি!)

ফিলিপপীয় ২:৬,৮

ইবুংঙোনা ঈশ্বরগী মওংদা লৈরবসু ঈশ্বরগা মান্নবা ওইবা অদু চেৎনা পায়গদবা ওইনা শীংথানদে, ইবুংঙোবু শাজক্তা মীওইবগুম্না উরে, অমসুং ইবুংঙোনা ক্রোসতা শিবা ফাওবা হায়বা ইল্লদুনা, ইবুংঙো মশা মথন্তা নোল্লুকচরে।

যোহান ১০:৩০ ৩৬

ঐগা ইপাগা অমত্তনি। ঐদি ঈশ্বরগী মচানিপানি হায়বগী মরম্না মপানা কৎথোকপিদুনা তাইবঙপান্দা থারকপা মহাকপু থীনা ঙাংই হায়না মহাক্কী মরমদা মখোয়না হায়রিব্রা?

যীশু খৃযটগী লোম্বা নাইদবা ৱাহৈদি মতম খুদিংদা লৈগনি। অঙকপা থোদোক অমনা ঈশ্বরনা মহাকপু মেরীগী পিবুক্কুংদা নাওপুহনবিরম্মী। হকচাংগী ওইনদি মহাকপু মীগী মচানিপা হায়না খঙনরম্মী, অদুগা থৱায়গী ওইনদি ঈশ্বরগী মচানিপা হায়না খঙনরম্মী। বাইবলদা "মচা নিপা" হায়বা ৱাহৈ শিজিন্নদুনা মপা ঈশ্বর অমসুং ইবুংঙো মহাক্কী ৱাহৈগা মরি লৈনবদু তাকপীরম্মী — যীশু খৃযট।

ইব্রিয় ১০:৫

ইবুংঙোনা তাইবঙপান্দা লেঙলক্তুনা হায় ...... অদুবু ইবুংঙো নহাক্না ঐগীদমক হকচাং লাংবিরে।

রোমিয় ১:৪

থৱায় অশেঙবা অদুগী মরীদা ইবুং-ঙোদি শিবদগী হিংগৎপগী মপান্না পাঙ্গলগা লোয়ননা ঈশ্বরগী মচা নিপানি হায়বা ফোংদোকলে।

যোহান ২০:২৮

থোমানা ইবুংঙোদা খুরুমজরকই, হে ঐগী প্রভু ঈশ্বর।

১ তীমোথিয় ৩:১৬

ঈশ্বর নিঙবগী অথুপপা অদু অরুবনি হায়না পুম্নমক্লা য়াবনি, ইবুংঙোবু হকচাং ওইনা ফোংদোক্পিরে।

কোলোসীয় ২:৯

ইবুংঙোদা ঈশ্বরগী ওইবগী অথনবা পুন্নমক হকচাং ওইনা পাল্লি।

যসাইয়া ৯:৬

ঐখোয়গী ইরক্তা অঙাং অমা পোক্লে, ঐখোয়দা পিনবিরে অঙাং নুপা অমা, মহাক্কী মথুৎতা লৈবাক ঙাকলোন লৈগনি, মরমসিনা মহাক্কী মমিংদু কৌনগনি "অঙকপা লৌশিং লৈবা, পাঙ্গল্লবা মপু ইবুংঙো, শিনাঈদবা মপু অহিংবা নিংথৌ।

যোহান ৮:৫৮

যীশুনা মখোয়দা হায় .... ....অব্রাহাম পোকত্রিঙৈদা ঐনা হান্না লৈরম্মী।

যোহান ১:৪, ৯—১০

ইবুংঙো মঙোন্দা হিংবা লৈরম্মী, অদুগা হিংবা অদু মীশিংগী মঙাল ওইরম্মী। ঙাইবঙপান্দা লাক্লিবা মী খুদিংবু ঙানবিবা, অচুম্বা মঙাল অদু লৈরম্মী। ইবুংঙোদি তাইবঙপান্দা লৈরম্মী, অদুগা ইবুংঙোগী মপান্না তাইবঙপাল ওইরক্লে, অমসুং তাইবঙপান্না ইবুংঙোবু খঙলমদে।

১ তিমোথিয় ২:৫,৬

ঈশ্বর অমা লৈ, ঈশ্বর অমসুং মীশিংগী মরক্তা তাইনবিবা অমসু লৈ, মহাক্তি মশামকপু পুম্নমক্কীদমক থাদোকমল ওইনা পিবিরবা খ্রীষ্ট যীশুনি।

কোলোসীয় ১:১৪,১৫

ঐখোয়বু পাপতগী হন্দোকপিবা অদু মচা নিপা অসিদা লৈ। ইবুংঙোদি উবা ঙমদবা ঈশ্বরগী মুক্তি অদুনি।

২ পিতর ১:২১

ঈশ্বরগী ৱা তাকথোকপা করি অমতা মীওইবগী নিঙবদগী খক থোক্তে, অদুবু থৱায় অশেঙবনা তোংবিদুনা মীওইবশিংনা ঈশ্বরদগী ঙাংলে।

লূক ১:৭০,৭৬

থাইনদগী ঈশ্বরগী ৱা তাকথোকপা অশেঙবশিং অদুগী মচিন্না ইবুংঙোনা হায়হনবগুম্না, ইবুংঙোগী মীশিংদা মখোয়গী পাপ কোকপিনবা অরান খুভমগী মহৈ পীবিনবনি।

২ সমুএল ২৩:২

ইবুংঙোগী থৱাইদুনা ঐঙোন্দা ৱা ঙাংবিরি, ইবুংঙোগী ৱাহৈদু ঐগী ইচিন্দা থোকহনবি।

অনিশুবা ৱা ৬:৬

ঐনা নখোয়দা পিরিবা য়াথংসি কৈদৌ- ঙৈদ নখোয়গী থম্মোইনুংদা কাওগনু

২ তিমোথিয় ৩:১৫

শাস্ত্র খুদিং ঈশ্বরগী থৱোরদগী ওইবনি অমসুং ঈশ্বরগী মীনা অফবা থবক খুদিংগীদমক মপুংফানা লাংলদুনা, তম্বিনবগী, ৱারকনবগী, অমসুং ধর্ম্ম- চেনবগীদমক তাকপিনবা কান্নবনি।

রোমিয় ১৫:৪

শাস্ত্রদগী থোকপা খাঙহৈবা অমসুং ইনশিনবিবগী মথান্না ঐখোয়না তরং তরং খঙনা নিঙবা ফঙননবা মমাং- ঙৈদা ইখি ইখিবা অদু ঐখোয়না তম্নবগীদমক ইখিবনি।

মাথি ২২:২৯

শাস্ত্র অমসুং ঈশ্বরগী পাঙ্গল অদু খঙদদুনা মখোয়না অরানবা তৌরে।

লাইশোন ঈশৈ ১৩৮:২

নখোযনা পুমনমক্কী মথক্তা ইবুংঙোগী মীংলেনবু চাওহনবিরে।

ফোংদোকপিবা ১৯:১৩

ঈনা চাইখ্রবা ফি ইবুংঙোনা থোল্লি, অদুগা ইবুংঙোগী মিং ঈশ্বরগী ৱাহৈ কৌই।

যোহান ১:১, ১৪

অহানবদা ৱাহৈ অদু লৈরম্মী, ৱাহৈ অদু ঈশ্বরগা লৈমিন্নরম্মি, অমসুং ৱাহৈ অদু ঈশ্বর ওইরম্মী। অদুগা ৱাহৈ অদুনা শায়োন্নকতুনা ঐখোয়গী ইরক্তা লৈবিররে।

যীশুনা মপা ঈশ্বরবু ফোংদোকই।

২ কোরিন্থীয় ৪:৬

অমম্বদগী মঙাল ঙানবিগনি, হায়খিবা ঈশ্বর অদুনা খ্রীষ্টগী মায়থোংদা ঈশ্বরগী মতিক মঙানগী অখঙবা অদুগী মঙাল পীননবা, ঐখোয়গী থম্মোইনুংদা ঙানবিরে।

যোহান ১:১৮

ঈশ্বরবু কনা অমতনা থক উদে, অমতা ঙায়বা মচানিপা ঈশ্বর মপাগী মরক্তা লৈরিবা ইবুংঙো অদুনা ইবুংঙো মহাকপু ফোংদোক্লে। ঈশ্বরনা মচা নিপাবু ফোংদোকপিরে।

ইব্রিয় ১:১,২

অদুঙৈদা ঈশ্বরনা ইপা ইপুশিংদা ৱা তাকখোকপশিংগী মপান্না মচেৎ মচেৎ ওইনা তোঙান তোঙানবা মওং ওইনা হায়খিদুনা, নুমিৎশিং অসিগী অরোয়-বদা ঐখোয়দা মচা নিপাগী মপান্না হায়বিরে, ইবুংঙোবু পোৎ পুম্নমক্কী য়ুমলেপচারা ওইহনবিরে, ইবুংঙোগী মপান্নসু তাইবঙপানবা মখৈ শেম্বিরে।

যোহান ৮:৩৮

ইপাগী মফমদা ঐনা উজ উজরকপা অদু ঙাংখোকই।

বাইবল অসি থৱায়গী চিঙ্গাকনি ।

যোব ২৩:১২

ইবুংঙোগী অনিংবদু ইন্দুনা ঐগী অপাম্বদু থাদোকচে ।

মাথি ৪:৪

তনতনা মীনা হিংলোই, অদুবু ঈশ্বরগী চিন্দগী থোক্লকপা ৱাহৈ অদুতনা হিংগনি ।

বাইবেলনা ঐখোয়গী লম্বী ভালহনবী

লাইশোন ঈশৈ ১১৯:১০৫

ইবুংঙোগী ৱাহৈশিংদু ননাইবু লমজিংবিনবা মঙাল্নি, পুনসি লম্বীদা মসিনা মৈরি ওইরি ।

লাইশোন ঈশৈ ১১৯:১৩০

ইবুংঙোগী পাওতাকতু শন্দোক্লা অমম্নরুরগা অপঙবশিংদা মসিনা লৌশিং মঙান পী ।

যীশু অসি স্বর্গগী অচাপোৎ অদুনি ।

যোহান ৬:৫১, ৪৮

স্বর্গদগী কুমথরকলিবা হিংলিবা অচাপোৎ অদু ঐনি, কনাগুম্বনা অচাপোৎ অসিদগী চারগদি লোম্না নাইদনা হিংগনি, তাইবঙপানবনা হিংননবগীদমক ঐনা পিগদবা অচাপোৎ অদুনি ।

যীশু অসি তাইবঙপানবগী মঙালনি ।

যোহান ১:৪, ৮:১২

ইবুংঙো মঙোন্দা হিংবা লৈরম্মী, অদুগা হিংবা অদু মীশিংগী মঙাল ওইরম্মী । যীশুনা অমুক মখোয়দা হায়রকই, ঐদি তাইবঙপানবগী মঙাল্নি, ঐগী ইতুং ইল্লিবা মহাক অদুনা অমম্বদা চৎলরোই, অমসুং হিংবগী মঙাল অদু ফংজগনি ।

বাইবলনা মহৈ য়ানবা পুনসি ওইহল্লি।



লাইশোন ঈশৈ ১:২.৩

মখোয়গী নুংঙাইবদি ইবুংঙোগী শাস্ত্রদু ইনজবনি, ইবুংঙোগী য়াথংদুবু অহিং নুংথিল অনিমক্তা শোনজে। অদুগুম্বা মীশিংদুদি চেল্লিবা ঈচেংগী তোরবান্দা থাম্লবা, মনা খুইথবা নাইদ্রবা উপালদুগা পাংখক্কি। মখোয়না তৌজরুবা খুদিংদা য়াইফবতা ওই।

যোহান ১৫:৪,৫

ঐঙোন্দা তক্না লৈয়ু: অদুগা ঐনা নখোয়দা তক্কনা লৈগে। দ্রাক্ষা মরীদা মশা অদুনা তক্কনা লৈবা নত্রবদি নখোয়নসু মহৈ পানবা ঙমদে। দ্রাক্ষা মরী অদু ঐনি, মশাদি নখোয়নি। ঐঙোন্দা তক্কনা লৈবা অমসুং ঐনা মঙোন্দা তক্কনা লৈবা মহাক অদুনা মহৈ পাল্লি, মরমদি ঐ য়াওদনা নখোয়না করিসু তৌবা ঙমদে।

## শাস্ত্রনা যীশু খৃষ্টগী মরমদা তাকপি।

মহাক্না ঐগী মরমদা ইরমলে।

লূক ২৪:২৭

মৌশিদগী অমসুং ঈশ্বরগী ৱা তাক-থোকপা পুম্নমক্তগী হৌদুনা ইবুংঙো মশাগী মরমদা শাস্ত্র পুম্নমক্তা লৈবা অদু ইবুংঙোনা মখোয়দা হন্দোকপিরে

যোহান ৫:৩৯,৪৬

নখোয়না শাস্ত্রদা থি, মরমদি মদুগী মনুংদা নখোয়না লোম্বা নাইদবা হিংবা ফংই হায়না নিংই. অমসুং ঐগী মরমদা শাক্ষি পীবা অদু মদুশিংদুনি — নখোয়না মৌশিবু থাজরমলবদি, নখোয়না ঐবু থাজরমগদবনি মরমদি

লাইগোন ঈশৈ ১১৯:৮৯,১৬০
ইবুংঙোগী ৱাহৈশিংদু লোম্বা নাইদে, ৱাহৈশিংদু কোরৌথক্তা মাঙদনা লৈরি। ইবুংঙো নহাক্কী ৱাহৈদি অচুম্বনি, ইবুংঙোগী অচুম্বা ৱায়েনশিংদু হোংবা নাইদে।

যসাইয়া ৪০:৮
নাপিসু পৎথগনি, লৈরাংশু লৈনম চনগনি: অদুবু ইবুংঙোগী ৱাদি লোম্বা নাইরোই।

মাথি ৫:১৮
স্বর্গ অমসুং পৃথিবী মাঙদ্রিবা ফাওবা ৱায়েল য়াথং অদুদগী লৈই মচেৎ অমা নত্রগা বিন্দু অমতসু পুম্নমক থুংদ্রিবা ফাওবা মাঙলোই।

যোহান ১০;৩৫
শাস্ত্রবু মাংহনবা ঙমলেই।
মীওইবগী খুৎশেম্মা বাইবলবু হোংহনবা ঙমলোই।

অনিশুবা ৱা ১২:৩২
ঐনা নখোয়দা তৌ হায়না পিথ্রবা য়াথংশিংসি কাইদনা তৌ নখোয়না মসিদা হেজিন্না হাপপা নত্রগা লৌথোকপা য়াদে।

পাওরৌ ৩০:৬
ইবুংঙোনা হায়খিদবা ৱা হায়জিনবা তৌরবদি ইবুংঙোনা নখোয়বু দন্দি পিগনি অদুগা নখোয় মীনম্বা মীনিহায়গনি।

ফোংদোকপিবা ২২:১৯
কনাগুম্বনা তাকথোকপা ৱা অসিগী লাইরিক্কী ৱা মখৈ অদুদগী লৌথোক্লবদি, ঈশ্বরনা লাইরিক অসিগী মনুংদা ইশিনখ্রবা অদুদগী মাগী শরুক লৌথোক্কনি।

পাওরৌ ১৩:১৩
কনাগুম্বনা পাওতাক লৌনিংদ্রবদি খুদোংথিবা শোইদ্রবনি।

যোহান ১০:১৭,১৮

ইপানা ঐবু নুংশি, মরমদি ঐনা ঐগী থৱায় অমুক লৌশিন্নবা ঐনা ইথৱায় থায়। কনানসু ঐঙোন্দগী ইথৱায় লৌদে, অদুবু ঐ ইশা ইথন্তা থাদোকচবনি। ঐনা মদু থাদোকনবা ইতিক লৈ, অদুগা ঐনা মদু অমুক লৌশিন্নবা ইতিক লৈ।

যোহান ১৯:১১

যীশুনা খুমলে, নঙোন্দা মথক্কোমদগী পীবিরমদ্রবদি ইথক্তা নঙগী নতিক করি অমত্তা লৈরমলোইদবনি।

মাথি ২৬:৫৩,৫৪

স্বর্গদুতকী লান্মী ৭২,০০০ দগী হেন্না ইনাক্তা হৌজিকমক থাবিরক্কবা ঐনা ইপাদা হায়জবা ঙম্মোই হায়না নহাক্না নিঙব্রা? অদুম্না তৌরবদি শাস্ত্রনা অসুম্না ওইবা তারে হায়বা অদু কন্নম্না থুংলমগদবগে?

পাখোনচৎপা ৩:১৮

ঈশ্বরনা ইবুংঙো মহাক্কী খৃষ্টনা অৱা অনং খাঙবগী মরম অদু ৱা তাকথোকপা পুম্নমক্কী মচিন্না মমাংঙৈদা থগহনখিবা অদু ইবুংঙো মহাক্না অসুম্না থুংহনবিরে।

পাখোনচৎপা ২:২৩

ইবুংঙো অসিবু ঈশ্বরগী অরেপপা ৱাখল অমসুং হান্না খঙবা অদুগী মপান্না পীথোক্লগা, নখোয়না ৱায়েল য়াথং ইন্দবা মীশিংগী মখুৎনা ক্রোসতা য়োৎশি থাদুনা পাং তিংদুনা হাৎখ্রে।

যসাইয়া ৫৩:১০

ঈশ্বরনা মহাক্কী অৱাবা খাঙলবা মনাইদুগীদমক ৱাখল তৌবিখি, পাপকী মরমগীদমক মশামক থৌ ওইনা কৎখিবা মনাইদুবু মহাক্না য়াইফহনখি।

মার্ক ১৫:২৭, ২৮

মখোয়না ইবুংঙোগা লোয়ননা হরানবা অনিবু অমনা ইবুংঙোগী য়েত্তা, অমনা ওইদা ক্রোসতা য়োৎপি থাদুনা পাংতিংই। শাস্ত্রনা হায়বা অমসুং ইবুংঙো মহাক্তি অয়োল্ল অরানবা মীশিংগী মরক্তা মশিং চল্লে হায়বা অদু থুংলে।

মাথি ২৭:৪৫, ৫০—৫১. ৫৪

তরুকশুবা পুংদগী মাপনশুবা পুং ফাওবা লৈবাক পুমনমক্তা মমলে .... মতুং অদুদা যীশুনা অমুক্কা অৱাঙবা খোঞ্জেন্না লাউরমলগা মথৱায় থাখ্রে; অদুগা লৈবাকসু নিক্লে, নুংজাওসু পোকখাইরে। লাম্মী চাম্মগী মপুগা, যীশুবু শঙবা মহাক্কা লোয়নবশিংনা য়ুহারাবা অমসুং থোকলিবা অদু উবদা থোইদোক্লা কিদুনা হায়রকই, অওইবমক মী অসি ঈশ্বরগী মচানিপানি।

যোহান ১৯:৩২-৩৭

লান্মীশিংনা লাক্তুনা ইবুংঙোগা লোয়ননা ক্রোসতা য়োৎপি থাদুনা পাংতিংবা অহানবা অদুগা অতৈ অদুগী মখোং থুদেক্লে, মখোয়না যীশু তান্না লাক্তুনা ইবুংঙো শিরবনি হায়বা উরবদা ইবুংঙোগী খোঙ থুদেক্তে। অদুবু লান্মীশিংগী মরক্তগী অমনা ইবুংঙোগী পুকনোপঙা তানা থিল্লে, অদুগা খুদক অদুমক্তদা মদুদগী ঈগা ঈশিংগা থোক্লে.... .... মরমদি ইবুংঙোগী শরু অমতা থুদেক্লোই, হায়বা শাস্ত্র অদু থুংননবা অসিশিংসি থোক্লরে। অদুগা .... .... মখোয়না তানা থিল্লবা ইবুংঙোবু য়েংলগনি।

পাখোনচৎপা ২:২৪,৩২

ইবুংঙোবু ঈশ্বরনা অশিবগী অৱা অনা অদুদগী থাদোকপিদুনা হিংগৎপিরে, মরমদি ইবুংঙোবু অশিবা অদুনা খুদুম চনবা ঙমদে। যীশুবু ঈশ্বরনা হিঙ্গৎপিরে অসিগী মরমদা ঐখোয় পুম্নমক্না সাক্ষি ওইজরি।

ইব্রীয় ২:১৪,১৫

অঙাংশিং অদুনা ঈ তোংগী শরুক ফংবগী মরম্না, ইবুংঙোনা শিবগী মপান্নাশিবগী মপাঙ্গল লৈরিবা মহাকপু, হায়বদি দিয়াবোলবু, করিসু নক্তবা ওইহন্নবা, অমসুং শিবা কিবনা মখোয় মখোয়গী মপুনসি চুপপা অপুনবগী মথা পোল্লিবশিং পুম্নমকপু থাদোকপিনবা, ইবুংঙোনসু মখোয়গা মান্ননা শরুক অদুমক লৌজরে।

১ কোরিন্থীয় ১৫:৫৫,৫৭

হে শিবা নঙগী ঙম্বা কদায়দনো ? হে শিবা নঙগী নমু কদায়দনো ? অদুবু ঐখোয়গী প্রভু যীশু খৃষ্টগী মপান্না অঙম্বা অদু ঐখোয়দা পীবিবা ঈশ্বরবু থাগৎপা ওইসনু।

ফোংদোকপিবা ১:১৮

ঐদি হিংলিবা অদুনি, ঐদি শিরক্লে, অদুগা য়েংউ, ঐদি লাম্বা নাইদনা হিংলি, শিবগী অমসুং থমনুং লৈবাক্কী শোসু ঐঙোন্দা লৈ।

২ তিমোথিয় ১:১০

হৌজিক্তি ঐখোয়গী কনবিবা মপু খৃষ্ট যীশুগী উহনবিবনা ফোংদোক-পিরে : ইবুংঙোনা শিবা মাঙহন্দুনা অফবা ৱাপাওগী মপান্না হিংবা অমসুং শিবা নাইদবা অদু মঙোন্দা পুবিরক্লে।

ফে'ং দোকপিবা ৩:২০
য়েংউ, ঐনা থোঙদা লেপ্পতুনা লৈরি, কনাগুম্বনা ঐগী খোঞ্জন তাদুনা থোঙ অদু হাংবিরবদি, ঐনা মঙোন্দা চংদুনা মহাক্কা লোয়নমা চামিন্নগনি।

রোমিয় ৪:৫
থবক তৌদবা, অদুবু ঈশ্বরবু থওই-দবা মীবু চুমহনবিবা ইবুংঙোবু থাজবা, মহাক অদুগী থাজবা অদু ধর্ম্মচেনবা শীংথানবি।

যোহান ২০:২২,১৬:২৪
খৱায় অশেঙবা নখোয়না ফংজৌ / ....
নিজৌ অদুগা নখোয়গী হরাওবা মপুং ফাহন্নবা নখোয়না ফংজগনি।

রোমিয় ১০:৯
নঙনা নঙগী নচিন্না যীশুবু প্রভুনি হায়দোকচরগদি, অমসুং অশিব-শিংগী মরক্তগী ইবুংঙোবু ঈশ্বরনা হিঙহল্লিরে হায়বা নঙগী পুক্লিঙদা থাজরগদি নঙবু কনবিগনি।

মাথি ১০ : ৩৭ ; ১৬ : ২৪ , ২৫
মপা নত্রগা মমাবু ঐঙোন্দগী হেন্না নুংশিবা মহাক অদু ঐগীনি হায়বা মতিক চাদে ; .... যীশুনা মহাক্কী সেবোকশিংদা হায়রম্মী, কনাগুম্বনা ঐগী ইতুং ইন্নিঙলবদি, মহাক্কা মশা মতোমতবু য়াজদসনু। মহাক্কী ক্রোস লৌখৎসনু অমসুং ঐগী তুং ইঙ্গসনু। মরমদি মথৱায় কনজ-নিঙবা কনাগুম্বা অদুনা মদু মাংজ-গনি, অদুগা ঐগী মরমগীদমক মথৱায় মাঙজবা কনাগুম্বা অদুনা মদু ফংজগনি।

গালাতীয় ৩:২৯
নখোয় খৃষ্টগী ওইরবদি, নখোয়দি অব্রাহামগী ধারা ৱলেপপগী মতুং ইন্না য়ুমলেপচারা ওই।

১ যোহান ৫:১১,১২

সাক্ষি অদু অসিনি, মদুদি ঈশ্বরনা ঐখোয়দা লোম্বা নাইদবা হিংবা পীবিরে, অদুগা হিংবা অসি ইবুংঙো মহাক্কী মচা নিপা অদুদা লৈ। মচা নিপা অদুবু ফংলবা মহাক অদুনা হিংবা অদু ফংলে, ঈশ্বরগী মচানিপা ফংদবা মহাক অদুনা হিংবা অদু ফংদে।

এফিসা ২:৪,৫

ইবুংঙো মহাক্কী অথোয়বা মনুংশি অদুগী মরম্না ........ঐখোয়গী অয়োল অরানগী মপান্না শিদুনা লৈরম্বা মতমদা ঐখোয়বু সু খৃষ্টগা লোয়ননা হিংহনবিরে (থৌজান্না নখোয়বু কনবিরে)

গালাতীয় ২:২০

ঐবু খৃষ্টগা লোয়ননা ক্রোসতা শিমিন্নহনবিরে, অমসুং হৌজিক হিংজরিবা ঐনা নত্তে, অদুবু ঐগী নুংদা খৃষ্টনা হিংবনি, ঐনা হৌজিক হকচাংদা হিংজরিবা অসি মচানিপা অদুবু থাজবগী মপান্ননি।

রোমিয় ৮:২

খৃষ্ট যীশুদা লৈবা হিংবগী থবায় অদুগী বায়েল য়াথং অদুনা ঐবু পাপকী অমসুং শিবগী বায়েল য়াথং অদুদগী ইনিঙ তমহল্লে।

২ কোরিন্থীয় ৫:১৭

কনাগুম্বনা খৃষটদা লৈরবদি, মহাক্তি অনৌবা খুৎশেমনি. অরিবা পোৎ লাম্থোকখ্রে, য়েংউ, পোৎ মখৈ ইনৌ নৌরকলে।

১ পিতর ১:২৩,২:২

মাঙবা য়াবা মরুদগী নত্তনা, মাঙবা য়াদবদগী হিংবা অমসুং লেঙদনা লৈবা ঈশ্বরগী বা অদুগী মপান্না নখোয়বু অমুক হন্না পোকপিরে। নৌনা পোকপা অঙাংমচাশিংনা শঙ্গোম পাম্বগুম্না থবায় য়োক্লবা অশেঙবা ঈশ্বরগী বাহৈদু শঙ্গোমগুম্না পামজো।

লাইশোন ঈশৈ ৬৮:৫

শেঙলবা মফমদা ঙানথোইবিরিবা মপু ইবুংঙোনা মপা মমা লৈত্রবা অমদি লুখ্রাবীশিংবু ঙাকপী শেনবি।

যসাইয়া ৬৪:৮,৬৩;১৬

হে ইবুংঙো হৌঞ্জিক্তি নহাক্না ঐখোয়গী ইপা ওইবিরে. ঐখোয়না লৈখোমনি, ওইবিরি ইবুংঙোনা চফু শাবা, ঐখোয় পুম্নমক ইবুংঙোগী খুৎনা শেম্বীবনি। ইবুংঙো নহাক ঐখোয়গী ইপানি, নহাক্কী মীংলেন্দি লোম্বা নাইদে।

হোসিয়া ১:১০

মতমদুদা মখোয় ঐগী মী নত্তে হায়খিবদু অমুক হন্না হায়ররোই, মখোয়বু হিংলিবা মপুগী মচাশিং কৌগনি।

মাথি ৭:১১; ৬:৯

নখোয়না ফত্তবা ওইদুনসু নখোয়গী নচাশিংদা অফবা খুদোন পীবা হৈরবদি, নখোয়গী স্বর্গদা লৈবা নপানা নিজবা নখোয়দা কয়ামুক থোইদোক হেন্দোক্লা অফবা পোৎ পিবিগবা! .... .... মরম অদুনা মতম অসুম্না হায়জৌ, স্বর্গদা লৈবা ঐখোয়গী ইপা, ইবুংঙো নহাক্কী মিং অশেংবা ওইসনু।

২ কোরিনথীয় ৬ : ১৭, ১৮

ঐনা নখোয়বু ত্তৌশিনবিগনি, অমসুং ঐনা নখোয়গী নপা ওইগনি, অদুগা নখোয়না ঐগী ইচা নিপা, ইচা নুপী ওইগনি, হায়দুনা ইঙম ঙম্বা প্রভুনা হায়।

রোমীয় ৮:১৪

ঈশ্বরগী থবায়না চিংবিরিবা মখৈ অসিদি ঈশ্বরগী মচানিপাশিংনি।

যোহান ১৪:৬, ৭, ২৩

যীশুনা মঙোন্দা হায় লম্বী অদুসু অচুম্বা অদুসু হিংবা অদুসু ঐনি, ঐগী ইপান্না নক্তনদি, মীকনা অমত-নসু ইপাগী মফমদা থুংদে। নখোয়না ঐবু খঙলমলবদি নখোয়না ঐগী ইপাবুসু খঙলমগদবনি, হৌজিক্তগী নখোয়না ইবুংঙো মহাকপু খঙই অমসুং উরে। যীশুনা মঙোন্দা খুমলকই, কনাগুম্বনা ঐবু নুংশি-রবদি, মহাক্না ঐগী ৱা ঙাক্কনি, অদুগা ঐগী ইপানা মহাকপু নুংশি-বীগনি, অমসুং ঐখোয়না মঙোন্দা লাক্তুনা মহাক্কা লোয়নননা ঐখোয়গী লৈফম শেমগনি।

গালাতীয় ৪:৩—৭: ৩:২৬

······ঈশ্বরনা মচা নিপাবু থাবিরক্লে, ··· ··· অসুম্না ঐখোয়না য়োকচবা মচা নিপাশিং ওইবা ফংঙ্জননবনি। অদুগা নখোদি ইচানিপাশিং ওইবগী মরম্না ঈশ্বরনা মচা নিপাগী থৱায়বু নখোয়গী থম্মোই নুংদা থাবিরে, থৱায় অদুনা আববা ইপা লাউজে। অদুনা নহাক্তি মীনাই অমুক ওইদ্রে, অদুবু মচানিপা ওইরে ; মচা নিপা ওইরবদি, ঈশ্বরগী মপান্না য়ুমলেপ চারাসু ওই। নখোয়দি থাজবগী মপান্না খৃষ্ট যীশুগী মরীদা ঈশ্বরগী মচানিপাশিং ওইরি।

যোহান ১:১২

ইবুংঙোবু লৌশিল্লবা মখেদা হায়বদি ইবুংঙোগী মিংদা থাজবা মখোয় অদুদা ঈশ্বরগী মচাশিং ওইরক্নবা ইবুংঙোনা মতিক পীবিরে।

১ যোহান ২:১

কনাগুম্বনা পাপ তৌরবদি ইপাগী মাংদা ঐখোয়গী ৱা নোম্বিনবা ধর্ম্ম চেনবা যীশু খৃষট লৈ।

ইবুংঙোগী মপান্না ইপাগী মফম তান্না থৱায় অমদা ঐখোয় অনিমক্না চংফম ফংজে। —এফিসা ২:১৮

১ যোহান ৪: ৮, ১৬

নুংশিদবা মহাক অদুনা ঈশ্বরবু খঙদে, মরমদি ঈশ্বরদি নুংশিবনি। ঈশ্বরদি নুংশিবনি. অমসুং নুংশিবদা তক্তনা লৈরিবা মহাক অদুনা ঈশ্বরদা তক্তনা লৈ, অমসুং ঈশ্বরনা মঙোন্দা লৈ।

এফিশা ৪:৩২

নখোয় অমগা অমগা চান্নৌ, পুক্নিং নোবা ওইয়ু, ঈশ্বরনসু খৃষ্টগী মপান্না নখোয়বু কোকপিরবা অদুগুম্না, নখোয় অমনা অমবু কোক্নৌ।

যোহান ১৩:৩৫

নখোয়না অমগা অমগা নুংশিনবা লৈরবদি, মী পুম্নমক্না নখোয় ঐগী শেবোকনি হায়বা খঙগনি।

গালাতীয় ৫:২২

থৱায়গী মহৈদি, নুংশিবা, হরাওবা অমসুং ইংথবনি .... ....।

হবাক্কুক ৩:১৮

ঐগী পুক্নিংদা অৱা অনা লৈরোই, মরমদি ইবুংঙোদু লানবিবা মপুনি হায়বা খঙই।

লাইশোন ঈশৈ ১৬:১১

অরান খুভমগী লম্বেলদু ইবুংঙোনা ননাইদা উৎপিগনি, ইবুংঙোগী মায়থোংদুতনা হরাওবগী মশক্তি। মদুতনা ঐঙোন্দা লোম্না নাইদ্রবা নুংঙাইবা পীনবিরি।

রোমীয় ৫:১

থাজবনা চুক্কনবিরবনিনা ঐখোয়না ঐখোয়গী প্রভু যীশু খৃষ্টগী মপান্না ঈশ্বরগা ইংথনা লৈসি।

যোহান ১৪:২৭

ইংথবা ঐনা নখোয়দা থনম্মি, ঐগী ইংথবা ঐনা নখোয়দা পীবি, তাইবঙ পানবন পীবগুম্না ঐনা নখোয়দা পীদে। নখোয়গী পুক্নিঙ ওলাং ওনশাওবা অমদি কিবা ওইদসনু।

রোমীয় ৮:১১

যীশুবু অশিবশিংগী মরক্তগী হিঙ্গৎ-পিরবা ইবংঙো মহ'ক অদুগী থৱায় অদুনা নখোয়দা লৈরবদি, খৃযট যীশুবু অশিবশিংগী মরক্তগী হিং-গৎপিরবা ইবুংঙো মহাক অদুনা মখোয়দা লৈরিবা ইবুংঙো মহাক্কী থৱায় অদুগী মপান্না নখোয়গী শিগদবা হক-চাংবুসু হিংহনবিগনি।

১ কোরিন্থীয় ৬:১৪

ঈশ্বরনা ইবুংঙো মহাক্কী পাঙ্গলগী মপান্না প্রভুবু হিংপৎপিরে, অদুগা ঐখোয়বুসু হিংগৎপিগনি।

যোহান ৬:৪০

ইপাগী নিংবা অদু অসিনি, মচানিপা অদুবু উজদুনা, মহাকপু থাজবা মী খুদিংনা লোম্বা নাইদবা হিংবা ফংহনবনি, অদুদা ঐনা মহাকপু অকোনবা নুমিৎ অদুদা হিঙ্গৎহনগনি।

যোহান ১১:২৫, ২৬

যীশুনা হায়, হিঙ্গৎপা, অদু অমসুং হিংবা অদু ঐমক্তি, ঐবু থাজবা মী অদুনা শিরবসু হিংগনি, অদুগা হিংদুনা ঐবু থাজবা মী খুদিংনা খক শিরোই।

১ কোরিন্থীয় ১৫:২১-২৩

মীওইবগী মপান্না শিবা থোকপা মরম্না মীওইবগী মপান্না অশিবশিং হিঙ্গৎ-পসু থোকপনি। মরমদি আদমদা পুন্নমক্না শিবগুম্না; খৃষ্টদা অদুগুম্নসু পুন্নমকপু হিংহনবিগনি। অদুবু মী খুদিং মাগী মাগী মথং মনাও নাই-গনি, হায়বদি খৃষটনা অহানবা মহৈনি, মতুং অদুদা খৃষটনা লেঙ-লকপা মতমদা ইবুংঙোগী ওইবশিং অদুনি।

যোহান ১৪:১৯

ঐনা হিংবগী মরমনা নখোয়সু হিংগনি।

ইব্রিয় ১০:২৮,২৯

মোশিগী ৱায়েল য়াহংব থোওই-উশিত্তবা মীনা শাক্ষি অনি অহুমগী ৱাদা চানবিবা য়াওদনা শিনৈ। ঈশ্বরগী মচা নিপাব খোঙনা নেৎপা, মহাকপু শেংদোকপিখিবা ৱালেপনবা অদুগী ঈবু শেংদবা পোৎনি শীংথা-নবা অমসুং থৌজানগী থৱায় অদুবু মায়থীনা তৌবা মী অদুবু কয়া হেন্না ফক্তবা ৱাকোং ফংবা মতিক চাগ-দবনি হায়না নখোয়না নিঙবনো?

যোহান ১২:৪৮

ঐবু থোওইদবা অমসুং ঐগী ৱা লৌদবা মহাক অদুবু ৱায়েনবা অমা লৈ, ঐনা ঙাংখিবা ৱা অদুমক্তা মহাকপু অকোনবা নুমিৎ অদুদা ৱায়েনগনি।

যোহান ৮:২৪

নখোয়না নখোয়গী পাপতা শিজপনি হায়না ঐনা নখোয়দা হায়রে, মরমদি ঐনি হায়বা নখোয়না থাজদ্রবদি নখোয় নখোয়গী পাপতা শিজগনি।

লুক ১২:৪,৫

মরুপশিং ঐনা নখোয়দা হায়রিবনি, হকচাংবু হাৎলগা, অদুগী মতুংদা করিশু তৌবা ঙমদবা মখোয়বু কিগনু। নখোয়না কনাবু কিগদগে, হাৎপগী মতুংদা নোরোক্তা লংশিনবা ঙম্বা ইবুংঙো মহাকপু কিয়ু।

ইব্রীয় ২:৩

ঐখোয়না অসুপ চাওবা অরান খুভম থোওইদ্রগা করমনা হিংবা ঙমগদগে?

পাখোনচৎপা ১৭:৩১

ইবুংঙো মহাক্না খন্দোকখ্রবা নিপা অমনা তাইবঙপা নববু অচুম্বদা ৱায়েনগদবা নুমিৎ অমা থাদুনা থম্মীরে। ইবুংঙো অসিবু অশিবশিংগী মরক্তগী হিঙ্গৎপিরবা অসিনা মী পুম্নমক্তা থাজফম ওইনবা ইবুংঙো মহাক্না পীবিরে।

যোহান ৫:২২

মপানা কনাবু সু ৱায়েন্দে, অদুবু পুম্নমক্না মপাবু ইকাইখুম্নবগুম্না মচা নিপা অদুবু ইকাইখুমননবা ইবুংঙো মহাক্না ৱায়েনবা পুমনমক মচা নিপা অদুদা পীখ্রে।

২ কোরিন্থীয় ৫:১০

মী খুদিংনা মাগী মাগী হকচাংনা তৌখিবা মতুংইন্না, অফবা ওইরবসু ফত্তবা ওইরবসু ফংনবা ঐখোয় পুমনকপু খৃষ্টগী ৱায়েন ফম্মে মাংদা ফোংবা তারে।

রোমিয় ২:১৬

ৱায়েনবা নুমিৎ অদুদা ঈশ্বরনা, যীশু খৃষ্টগী মপান্না মীশিংগী অরোৎপা অদু ৱায়েনগনি।

২ থেসলোনিকীয় ১:৭,৮

মৈরি থোকপা মৈদা ইবুংঙোগী পাঙ্গলগী দুতশিংগা লোয়ননা স্বর্গদগী প্রভু যীশুবু ফোংদোকপিবা মতমদা, ঈশ্বর খঙদবশিং অমসুং যীশুগী অফবা ৱাপাও ইন্দবশিংদা ইবুংঙোনা লমন খুম্বিপনি।

লূক ১৯:২৭

মখোয়গী মথক্তা ঐনা নিংথৌ ওইববু পামদবা ঐগী য়েক্লবশিং অসিবু অসিদা পুরক্তুনা ঐগী ইমাংদা হাৎলু।

## মচিন্দা প্রভু প্রভু হায়বা খুদিংমক্কা যীশুগী মনাক্তা য়োৌগদবা নত্তে।

মাথি ১৫:৮
মীশিং অসিনা ঐবু চিনবান্থোংনা ইকাইখুম্নে অদুবু মখোয়গী পুক্লিংদি ঐঙোন্দগী থাপনা লৈ।

মাথি ৭:২১ – ২৩
ঐঙোন্দা প্রতু প্রভু হায়বা মী খদিংমক্কা স্বর্গ লৈবাক্তা চংলোই, অদুবু স্বর্গদা লৈবা ইপাগী নিঙবা তৌরিবা মী অদুনা চংগনি। নুমিৎ অদুদা অয়াম্বনা ঐঙোন্দা হায়গনি, প্রভু, প্রভু ঐখোয়না ইবুংঙোগী মিংগী মপান্না ঈশ্বরগী ৱা তাকথোকচখিদ্রা, ইবুংঙোগী মিংগী মপান্না ভুতশিংবু তান্থোকচখিদ্রা, অমসুং ইবুংঙোগী মিংগী মপান্না তৌঙমদবা থবক অয়াম্বা তৌজখিদ্রা? ঐনা মখোয়দা ফোংনা হায়দোক্কনি; ঐনা কদৌৈদসু নখোয়বু খঙলমদে, হে তৌৈদবা তৌবশা, ঐঙোন্দগী চৎথোকখ্রো।

তীতা ১:১৬
মখোয়না ঈশ্বরবু খঙই হায়দুনা হায়দোকচৈ, অদুবু মখোয়গী থবক্কা ইবুংঙোবু য়াদে।

রোমীয় ৮:৯
কনাগুম্বা মীদা খৃষ্টগী থৱায় লৈত্রবদি, মহাক্তি ইবুংঙোগী ওইদে।

ইজেকিয়েল ৩৩:৩১
মখোয়না নহাক্কী নমাঙদা লাক্কগা ফমগনি, নহাক্কী ৱাশিংদু মখোয়না তাগনি অদুবু মখোয়দা হায়খিবশিংদু তৌরোই। মখোয়গী মচিন্দা নুংশিবগী ৱা ঙাংগনি, অদুবু মখোয়গী থম্মোইদা ওইজবা থিবগী ইরাং লৈগনি।

১ যোহান ২:৩
ঐখোয়না ইবুংঙোগী য়াথং মখৈ ঙাক্লবদি ঐখোয়না ইবুংঙোবু খঙই হায়বা ঐখোয়না খঙই।

ইজেকিয়েল ৩৬:২৭
ঐগী থৱায়সি নখোয়দা হাপিপদুনা ঐগী নিয়মশিংদু ইন্না ফঙ্গনা চৎহনগনি। ঐগী য়াথংশিংদু নখোয়না চেকশিন্না চৎপা ঙমগনি।

ইব্রীয় ৫:৯
ইবুংঙোনা চংখোনবা ওইরক্লুনা, ইবুংঙোগী হায়বা ইনবশিং পুন্নমক্কী– দমক ইবুংঙোনা লোম্বা নাইদবা অরান খুভমগী থোকফম ওইরক্লে।

রোমীয় ৬:১৮
পাপতগী ননিঙ তমহনবিরক্লুনা, নখোয়বু ধর্ম্মচেনবগী মীনাই ওইহনবিরক্লে।

এফিসা ২:১০
মরমদি ঈশ্বরনা হান্না লাঙবিখ্রবা অফবা থবক্তা ঐখোয়না চৎননবা, খৃষ্ট যীশুদা শেম্বীখ্রবা ঐখোয় ইবুংঙো মহাক্কী খুৎফম ওইরে।

রোমীয় ৮:১০,১৩
খৃষ্টনা নখোয়দা লৈরবদি, হকচাংদি পাপকী মরম্না শিবনি, অদুবু থৱায়দি ধর্ম্মচেনবগী মরমনা হিংবনি। নখোয়না হকচাংগী মতুংইন্না হিংলবদি, নখোয় শিগদবনি, অদুবু থৱায়গী মপান্না নখোয়না হকচাংগী থবক অদু শিহল্লবদি নখোয়না হিংগনি।

২ তীমোথিয় ২:১৯
প্রভুগী মিং শোনজবা মী খুদিংনা ধর্ম্মচেন্দবব থাদোকসনু।

যোহান ১৫:১৮,১৯
তাইবঙপানবনা নখোয়বু তুক্কচরবদি, নখোয়বু তুক্কচদ্রিঙৈদা ঐবু তুক্কচরে হায়বা খঙউ, নখোয় তাইবঙপানবগী ওইরবদি তাইবঙপানবনা মাগী মশাগী ওইববু নংশিরমগদবনি : নখোয় তাই-বঙপানবগী নত্তে অদুবু ঐনা নখোয়বু তাইবঙপানবদগী খল্লে, অসিগী মরম্না তাইবঙপানবনা নখোয়বু তুক্কচৈ।

যোহান ১৬:২,৩
নখোয়বু হাৎপা কনাগুম্বনা, মহাক ঈশ্বরদা থৌগন কৎচরি, হায়না নিঙগদবা পুংফম অদু লাকই। মখোয়না ইপাবুসু ঐবুসু খঙদবা মরমনা থবকশিং অসি মখোয়না তৌগনি।

১ যোহান ৩:১
য়েংউ ঐখোয়বু ঈশ্বরগী মচাশিং কৌবিনবা, ইপানা ঐখোয়গী ইথক্তা কয়া নুংশিবা পীনবিবনো। অদুগা ঐখোয় মদুমক ওইরি। মরম অসিগীদমক তাইবঙপানবনা ঐখোয়বু খঙদে, মরমদি তাইবঙপানবনা ইবুংঙোবু খঙলমদে।

পাখোনচৎপা ১৪:২২
অয়াম্বা অৱা অনংগা লোয়ননা ঐখোয়না ঈশ্বরগী লৈবাক্তা চংবা তারে।

২ তীমোথিয় ৩:১২
খৃষ্ট যীশুদা ঈশ্বর নিঙনা পান্নিঙব-শিংনা ওৎ-নৈবা খাঙগনি।

যোহান ১৬:৩৩
তাইবঙপানবদা নখোয়না অৱা অনং ফংই, অদুবু নুংঙাইজরো, ঐনা তাইবঙপানবু ঙমলে।

১ পিতর ৫:৭
নখোয়গী লাঙতক্লবা পুম্নমক ইবুংঙো মঙোন্দা পুমলং লংশিল্লু মরমদি ইবুংঙো মহাক্না নখোয়গীদমক নিঙবি।

যসাইয়া ৪১:১০
কিগনু মরমদি ঐহাক নহাক্কা লোয়নরি, নহাক লম্মুক্লবা তৌগন, মরমদি ঐহাক নহাক্কী মপু ইবুংঙোনি ঐনা নহাকপু নপাঙ্গল হাপপিগনি অদুগা নহাকপু শৌগৎপিগনি, ঐগী মায় পাক্তুনতা লৈরবা ইখুৎ য়েৎথংবসিনা নহাকপু পাংবিগনি।

লাইশোন ঈশৈ ২৭:১০
ইমা অমদি ইপানা ঐবু থাদোকপিবা য়াই, অদুবু ইবুংঙোনা ঐবু থাদোকপিরোই।

ইব্রীয় ১৩:৬
ঐখোয়না থৌনা ফনা হায়, প্রভুদি ঐগী পাংবিবা মপুনি, ঐ কিরোই, মীনা ঐঙোন্দা কার তৌগনি।

১ পিতর ৪:১৪
নখোয়বু খৃষ্টগী মিংগীদমক চরবদি, য়াইফবনি; মরমদি মতিক মঙানগী থৱায়না অমসুং ঈশ্বরগী থৱায়না নখোয়গী নথক্তা লৈবনি।

লাইশোন ঈশৈ ৯১:১১,২৩:৪
নহাক্না চৎনিঙবা মফমদা চৎপা মতমদা মপু ইবুংঙোনা নহাকপু শেন্ননবা হায়দুনা দুতশিং থাবিগনি। ঐনা অশিবশিংগী অমম্বা তমপাক্তা ফাওদুনা চৎলবসু ঐঙোন্দা অকিবা করিসু লৈররোই। মরমদি ইবুংঙোনা ঐবু লোয়নবি।

ফিলিপপীয় ৪:১৩,১৯
ঐবু পাঙ্গল কলহনবিবা ইবুংঙোগী মপান্না ঐনা থবক পুম্নমক ইতৌ তৌবা ঙমজে। ঐগী ঈশ্বরনা নখোয়গী কান্নবা পুম্নমক যীশুগী মপান্না ইবুংঙো মহাক্কী মতিক মঙান্দা লৈবা লল মতুংইন্না পীনবিগনি।

১ কোরিন্থীয় ১০:১৩

মীওইবনা খাঙবা ঙম্বা অদুদগী হেন্না অথেম্বনা নখোয়বু ফাদ্রি। ঈশ্বরদি খাজবা য়াবনি, নখোয়না ঙমজবা অদুদগী হেন্না নখোয়বু থেম্নবা ইবুংঙো মহাক্না য়াবিরোই, অদুবু নখোয়না খাঙবা ঙম্নবা অথেম্বগা লোয়ননা লানবিনবসু ইবুংঙো মহাক্না শেম্বীগনি।

ইব্রীয় ৪:১৬

নুংশিবিবা অমসুং কান্নগদবা মতমদা পাংবিনবা থৌজাল ঐখোয়না ফংজননবা, থৌজানগী ফম্বান তান্না থৌনা ফনা নকশিনজসি।

১ যোহান ১:৭

ইবুংঙো মহাক্না মঙান্দা লৈবগুম্না ঐখোয়না মঙান্দা চৎলবদি, ঐখোয়না অমগা অমগা শরুক ফংমিন্নবনি, অমসুং ইবুংঙো মহাক্কী মচানিপা যীশুগী ঈনা পাপ পুম্নমক্তগী ঐখোয়বু শেংদোকপি।

২ তীমোথিয় ২, ২২

নহা ওইবগী অপাইবা মথৌদগী চেন্থোকউ, অদুগা অশেংবা পুক্নিঙদগী প্রভুবু কৌঞ্জবশিংগা লোয়ননা ধর্ম্ম চেনবগী, থাজবগী, নুংশিবগী, ইংথবগী মতুং ইল্লু।

রোমীয় ৬:১১

নখোয়সু নশা নথন্তা পাপলোমদা শিরবনি, অদুবু ঈশ্বরলোমদা খৃষ্ট যীশুদা হিংলিবনি হায়না শীংথানজো।

যাকোব ৪:৭

ঈশ্বরগী মখা পোল্লু অদুবু দিয়াবোলগা মায়ওক্লো, অদুগা মহাক্না নখোয়দগী চেনগনি।

লাইশোন ঈশৈ ১১৯:১১

পাপ চেন্দনবা ইবুংঙো নহাক্কী ৱাহৈদু ঐগী থম্মোইনুংদা লাংচরি।

লাইশোন ঈশৈ ২৭:৮
ইবুংঙোনা ননাইদা তাকপিথি, চংজরকউ অমসুং নোঙ্জৌ, হে ৰাংথোইরবা চংজরকলি ইবুংঙোগী থুয়াদা।

লাইশোন ঈশৈ ৬২:৮
মরুপ-মপাংশিং, মতম লৈবদা মপু ইবুংঙোদা থাজবা থম্মু, ঐ.খায়গী চঙজফম ওইবা মরমনা অৰা-অনা পুমনমক ইবুংঙোদা শিন্নথোকউ।

যিরমায়াহ ১৭:১৪
ইবুংঙো ননাইবু য়েংশিনবিয়ু অদু ওইরবদি ননাই অশোই অঙাম লৈরোই, মরমদি নহাক্তনি ঐগী চংজফম।

১ থেসলোনিকীয় ৫:১৭,১৮
তৎপা লৈতনা হায়জৌ, মরম খুদিংদা থাগৎলু; মরমদি অসি নখোয়গীদমক খ্রীষ্ট যীশুদা ঈশ্বরগী নিঙবনি।

যাকোব ১:৫
নখোয় কনাগুম্বগী লৌশিং ৰাৎলবদি, পুমনমক্তা পীনহৈবা অমসুং পাউ থংদবা ঈশ্বরগী মফমদা মহাক্তা নিজসনু; অদুগা ইবুংঙো মহাক্তা নঙোন্দা পীনবিগনি।

যোহান ১৫:৭
নখোয়না ঐঙোন্দা লৈরবদি অদুগা ঐগী ৱাশিং নখোয়দা লৈরবদি, নখোয়না নিনিঙবা নিজৌ, মদু নখোয়দা ওইরক্কনি।

লাইশোন ঈশৈ ৩৪:৪
ঐনা ইবুংঙোদা হায়জবা মতমদা মহাক্তা পাওখুম্বীরকখি। ইবুংঙোনা ঐবু অকিবা কোকহনবি।

লাইশোন ঈশৈ ৬৬:১৮;২৫:১১
ঐনা ইরান্দু কুপশিল্লমলবদি, মপুনা ঐনা হায়জবা মতমদা তাবিরমলোই। ৰাশক ঙাকপিবগা লোয়ননা ঐগী ইরানসু কোকপিয়ু, ননাইগী ইরান্দি মশিং থাবা ঙমদ্রবনি।

১ থেসলোনিকীয় ৪:১৬,১৭

ইবুঙো মশামক স্বৰ্গ দগী খোল্লাওগা, অথোইবা স্বৰ্গ দূতকী খোঞ্জেলগা অমসুং ঈশ্বরগী পেরেশিঙ্গা মখোনগা লোয়নননা লেঙথবিরক্কনি। অদুগা খৃষ্টদা শিথিবশিংনা হান্না হিঙ্গৎকনি; অদুগা হিংলিবা ঐখোয়বু মখোয়গা লোয়নননা অতিয়াদা প্রভুবু ওক্নজনননবা লৈচিন মনুংদা পুথৎমিন্নবিগনি, অসুমনা ঐখোয়না মতম লৈবথিবিক্তা প্রভুগা লোয়নননা লৈমিন্নগনি।

২ কোরিন্থীয় ৭:১

ৱালেপপশিং অসি ফংজরবগী, ঐখোয়না ইশা ইথন্তবু হকচাং অমসুং থৱায়বু মোৎহনবা পুম্নমক্তগী শেংদোকচদুনা ঈশ্বরবু কিবনা অশেঙবা অদু চংখোনবা ওইহনসি।

১ যোহান ২;২৮

নুংশিবা অঙাংশা, ইবুংঙোবু ফোংদোকপিরবদি, ঐখোয়না থৌনা ফদুনা ইবুংঙোনা লেঙলকপদা ইবুংঙোগী মাংদা ইকাইদন্নবা নখোয়না ইবুংঙোদা তক্তন। লৈয়ু।

যাকোব ৫:৮,৯

নখোয়না খাঙহৈনা খাঙউ, নখোয়গী পুক্লিঙ চেৎহল্লু, মরমদি প্রভুনা লেঙলক্কদবা অদু নক্লে। ইচিনইনাওশা নখোয়বু ৱায়েন্দন্নবা, অমনা অমগী মথক্তা মুরুম মুরুম শোন্নপন, য়েংউ ৱায়েল মপুনা থোংগদা লেপলি।

লূক ১২:৪০

নখোয়নসু থৌরাং তৌদুনা লৈয়ু, মরমদি নখোয়না নিঙদবা পুংফমদা মীগী মচা নিপা অদুনা লেঙলক্কনি।

# থৱায় অশেঙবনা থল্লু

### পাওরৌ ১:২৩

ঐনা নখোয়বু ৱারক্লিবসি তারো। ঐনা নখোয়দা অফবা পাওতাক অমদি ঐনা খঙবা উবদু তাকপিগে।

### পাখোনচৎপা ২:৩৮

নখোয়গী পাপ কোক্লনবগীদমক নখোয়না পুক্লিঙ হোংউ; অমসুং যীশু খৃষ্টগী মিংদা নখোয় মী খুদিংনা বাপটাইস লৌ, অদুগা নখোয়না থৱায় .অশেঙবগী খুদোল ফংগনি।

### এফিসা ৫:১৮—২১

য়ু থক্কনু : মদুদা ৱাথোক লান্থোক লৈঃ অদুবু থৱায়না থল্লু। অমগা অমগা ধম্ম´ঈশৈনা, থাগৎপা: ঈশৈনা, অমসুং থৱায়গী ঈশৈনা ওাং শকউ, অদুগা প্রভুদা নখোয় থৱায় য়াওনা শকউ।

মরম পুন্নমক্কীদমক ঐখোয়গী প্রভু যীশু খৃষ্টগী মিংদা ইপা ঈশ্বরগী মফমদা মতম লৈবা ৰিবিক্তা থাগৎলু. খ্ যটবু কিবনা নখোয় নশেন অমনা অমগী মখা পোন্নৌ।

### ফিলিপগীয় ২:১৩

নখোয়গী নুংদা ইবুংঙো মহাক্কী অপেনবগীদমক নিঙননবা অমসুং থবক তৌননবা, অনিমক শুবিরিবা অদু ঈশ্বরননি।

### ১ কোরিন্থীয় ৩:১৬; ৬:২০

নখোয়দি ঈশ্বরগী অশেঙবা শঙনি অমসুং ঈশ্বরগী থৱায়না নখোয়গী মনুংদা লৈরিবনি হায়বা নখোয়না খঙদ্রা? নখোয়বু মমল্লা লৈরে। মরম অদুনা নখোয় নখোয়গী হকচাং মনুংদ৷ ঈশ্বরবু ইকাই খুম্নৌ।

Published in numerous languages by World Missionary Press, Inc. as God supplies funds in answer to prayer. If you would like more copies for prayerful distribution, specify which language(s) you need and how many booklets.

For more information or to request a free Bible study, please write to:

**WMP**
**India Bible Literature**
**67 Beracah Road**
**Kilpauk, Chennai 600 010**

Read booklets online or by App
www.wmp-readonline.org

www.wmpress.org

7-17

1541/2 Manipuri HKG